

মৈনৈদৈন

(কংলৈখোল)

মশুব চহি ৫৩শুব মশাং | নবেম্বর ১৯৮৩ ইং | মেবা/হিবা গৈ ৩০৮০

মনাংই লাইনিং পুনসিরো। অমদি ঈনংকী থাইদগী চৎপ থুংবাব

কংলৈপাক থৌসিনবোনগী থাগী চেফোং

ঙা ঈমা ঈমা

ঐখোয়মু লাকখ্রে ঈম ও
লোং চুই লাককনু ॥
মেমপাক তুপতুন মলাকখ্রে ॥
লমনী নাশ্লি লাককনু ॥
চম্বু স্নুহন মলাককে ॥
খোয়ম কংচৎ চাউরগ,
চাউরা রাংগোন ফারগ,
লৈংজেল থোংগী থোংমাইদ,
মমু তোংহন লাকপদ
ঈমা নখু কাউজরোই,
ঙা ঈমা ঈমা ও ॥

মশুংগী লমাইসিংদ

— অসিজচিবন।

নিঙোলসিংদ কৎথোকচব চেফোং

ঈপাক মৈহৌরে ফাংচিং মৈচাকলে ঈহু নিংথৌ লৈতবর থামবী মৈকললো ॥

থৌসিনকোনগী ই-পাউ

অরাম্বমচা তোমচা

পাউরী (রিপোর্তর) কংলৈখোল ॥

(ক) মরাই সংলেনগী অনুনব মীতিনগী মথা পাউ :—হৌখিব সেপ্তেম্বরগী থাদ পাংথোকখিবা মরাই সংলেনগী অনুনব মীতিংনম মথাগী মীওইসিং অসিবু অনৌব থৌসিনকোন মরাই সংলেনগী থৌপু কাংলুপ ওইনা খনখ্রে। মীওইসিং অদুদি :—(ক) (i) খিগোমগা অমু ওইনা মাইতোংব মীতিন (প্রেসিদেনসিয়েল মীতি) (ii) এনজী, কাংজিয়া, মাইতোংব থৌরম (প্রেসিদেন্ত একসন) (খ) (i) রাই. লুরাংখনব, থৌবুরেল মীতিন, (জেনেরেল সেক্রেতরি মীতিং) (ii) ডাক্তাম্বা নিংথেম, থৌবুরেল থৌরম (জে: সে: একসন) অমসুং (গ) নাউসেকপনচা খাব, সেলম চেসিনব (ওদিতর) অসিনি ॥

মীতিন অসিন হনদক চহিদগী হৌন থৌনা কাংলোনগী মীওই ৩/৩ খনগংদুনা ইকাই "খুমনব মকখং-চে" পিনব লাউথোকপ্রে। চহিসিগী ওইন (i) অরামবমচা তোমচা (ii) নু নাম চমু কাংলৈম অমসুং (iii) কাংজমচা থোইব, সিনদমলোই ও অসিবু খনগংপ্রে ॥

চংনপথাপ (কনসতিত্যুসন)গী মতাংদ সেংদোক সেমজিন খর তৌপ্রে অমসুং কংলৈরোই সংলুপ (বোর্দ ওফ দিরেকতরস) অমুক সেমপ্রে। অনৌব কংলৈরোই সংলুপকী কংলৈরোই সিংদি (i) প্রোঃ এনজী, কাংজিয়া, কংলৈরোই পুরেল অমসুং (ii) রাই লুরাংখনব (iii) নিংথৌখোংজমচা ইবোচৌ অনিবুন অচমব কংলৈরোই অসিনি ॥

মীতিন অসিন মরুপলোইসিংগী সকতাক চে (আইদেনতিতি কার্দ) পিননবা থৌ সনকোনদ মিং চনশ্রব মরুপলোই চনুরা পিবা পুখনমকন নবেম্বর ২৫ ফাওবগী মতুংদ মস মসাগা সকতম (ফোতো পাস পোর্ত সাইজ) ২/২ মরাই সংলেনদ থোহলনবসু লাউথোকপ্রে ॥

একসন কমিতি (খবকলম লুপ) অমসুং লো কোর্দ (রায়েন সংলুপ) অনি অসি লিংবগী মতাংদ মীতিন অসিন লেপনপ্রে অমসুং লিংবদ অয়াব পিবিননব কংলৈরোই সংলুপত অই চে থাগৎপ্রে ॥

(খ) চহিগী লেননসং পাংথোকপ্রে :—হৌখিব ওকতোবর চৈচৎ ১২ গী অয়ুক পুং ১১দগী ইবোতোনসনা গার্লস হাই স্কুল, উরিপোক ইমফালদ সিনতাক পুরেন উজা ইবুঙো প্রোঃ এনজী, কাংজিয়া অমসুং থৌবুরেল উজা ইবুঙো রাই. লুরাংখনব অনিন লেননসং মাইচৌ অমসুং লেননরোই পুরেন মখংসিংন ওইবিদুনা থৌসিনকোন মরাই সংলেনগী চহিগী লেননসা পাংথোকপ্রে ॥

মথাদি লাইরিক কার্দ

[illegible]

[illegible] —

OFFICE OF THE KANGLEIKOL

(Regd. No RN 34203[79 New Delhi)
R.M.C, Road Naga Mapal Imphal
Pin 795001 The Largest Circulated Journal of
its kind in the North East Region of India

[illegible]

(নিঃঙোল চাকৌবগী ৱারী)

[illegible]

[illegible]

(লৈরমদবদগী লৈরকপ)

[illegible]

[illegible]

[illegible]

KANGLEIKHOL

November 1933, Mera/
Hiyangei, Maliyaphim
Chahiron-3380 Volume V
ISSUFS 53

KHORILOI SANGLUP

Khorilangbi

Y Thoili Lenna

Tengbang Khorilangba

Ngangomla Ningthem

Ng Ifechou

Paomi

Chamcham ba Tomcha

Sandokpa Thoubu

Memamcha Chunglen

Supna Yengsinbi

Y. Luwangkhanba

Yaitongba

Ng Kangja

KHORILOI

Kolomcha Achoubi
Keithelakpamcha Chaobi
Moicha Lukhoi
Na sekpamcha Khaba
Ch Chanu Chaningkhombi
M Chanu Nongleima
M. Chanu Ibechaobi
Y Chanu Kaingleima

[illegible]

[illegible]

(ভাগ্নি দ্বিতীয়ান করমন ওলক্কপ)

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

(মীতৌ তমলমবদগী ঊসাগী ওনথোরকপ)

[illegible]

[illegible]

[illegible]

সনামহী লাইনিংগী ঈরাৎ থৌরম

(থৌসিনকোনগী ১৮ লক স্বুব লেনন্সংদ ভাংথিব)


ভাংথিখিব—এনজী, কাংজীয়া ॥

রাবেং অসি কংলৈপাক থৌসিংকোনগী ১৮ লক স্বুব লেননসং (কে.প) ইবোতোনসনা গার্লস হায় স্কুল, উমফাম্ভদ চৈচং ১১দগী ১৭ ওক-তোবর ১৯৮৩ ইং ফাওবা পংথোকখিব অহুগী ৫নি চনব স্তুনিংস্তু মগ্নায় সংগলনগী চন্দ্রা পীবাগী অপুনব মীফমন লেননসং মায়চৌ ওইনা থনবি-খিব থৌসিংকে নগী লাইনিংলোয় পু'রন প্রোঃ এনজী, কাংজীয়ানা খেবিলগী মীফমদ ভাংথিথি-বনি ॥ ১৮লক স্বুব লেননসংগীদমক চেজল ছবগী থৌদাং লৌজহুন ঐহাক ঈসামকন সক্লক থবদং খোংতি-জহৌবনি ॥

—তেবাং থোবিলাংস ॥

রাহৌদক—

সনামহী লাইনিংগী "ঈরাৎ থৌরম" হায়ব লাইথৌ পুমনমক অসি লাইজ ঈসিংন থৌরাই ওইব ভাকতনি ॥ লাইজ ঈসিংন মরম ওইরুন পা থোকলিব লাইথৌ পুমনমক ঈরাৎ=ঈসিংন অমস্তুং ঈসিংদ+লাংপ কৌই । লাইজ ঈসিংন মরম ওইরুন পাংথোকলিব থৌবংবুন ঈ+রা'ৎ +থৌরম=ঈরাৎ থৌরম কৌরে ॥ থৌরম অসি ঈসিংবু হৌদোকপ, ঈসি দ লাংপ, ঈসিংন লাংপ ঈসিংবু লাংপ, ঈসিংদ কৌব, ঈসিংদ তিনব, অসিনচিংব লাইজগী থৌরম পরেং অমবুন্থ থহহলগি ॥



লাই কৌথব লাইজ ঈসিংদ তৌই থৌরমগী থৌরাই হাপপন্থ ঈসিংদ তৌই ॥ ঈরাৎপীবাগী মসা লেংদোকপ, অনম অথৌ কোকপ ঈসিংন কোকই ॥ হৈরুম হৈবম অথেনপোং পুমমককী লেংদোকপ অনম অথৌ কোকপ ঈসিংন তৌই ॥ মরম অহুন লাইজ ঈসিংন মপু ওইব থৌরম ওইবন সনামহী লাইনিংগী লাইথৌ পুমনমকপু ঈসি নগী অহৌব মমিং লৌরুন "ঈরাৎ ঈসোল" "ঈরাৎ থৌরম" "ঈরাৎ-থেকাং" "ঈরাৎ-থৌনি" অমুমন ঐপা ঈপু হাকতকতগী চংন-রকই ॥ পুমনমক অসিমু স্থপচিনলগা লাইগী থৌরমনি হায়রুন "লাইথৌ" হায়নম্ব থহনৈ ॥

ঈরাৎপগী তাংককসিং ঃ—

ঈরাৎ-থৌরম মপুং অমদ তা কক ৫ থোকন লৈ ॥ (১) কোনথারোল লোনহুন লাইজবু

হৌদোকপ (ii) ঈরাংপীবা মসাবু সেংদোকপ অমসুং পুকনিং-হিরি সাননব (iii) ঈরাংফু ন্নাংখোকপ (iv) মপুগী কমবাল লাংখোকপ অমসুং (v) থৌনিব হায়রিব তাংকক ৫ অসিন সনামহৌ লাইনিংগী থৌরমদ অখোইবনি ॥

(i) কোনথারোল সোনহুন লাইজ হৌদোকপ

অচমব ঈসিং অম হেকত সোকলগ লাইগী থৌরম তৌব য়াদে ॥ মফম অমদগী ঈসিং হেকত সোকলগ ঈরাং থৌরমদ সিজিননব য়াদে ॥

ঈরাং ঈসোলগী ইসিংদি সোকফম অদু-মকতদ সনা কোনয়াই লুপা কোনয়াই হুনহুন কোনথারোনগী লমসিং কৌহুন কোনথারোল লাইরোল সোললগ লাইজ ঈসিংবু হৌদোকতুন কোন অলেংবদ সোককদবনি ॥

থেনহুন লৈব লাইজ ইকোন অমদগী নত্রগ অচেনব ঈসিং তুরেলদগী কোনথারোল সোনহুন ঈসিং সোককদবনি ॥ তোতিনচিংব কোনজিলদগী হেকত লৌরগ ঈরাংপ তৌব য়াদে ॥ কোন-জিলগী ঈসিং ওইরবদি মথরাং লাওব কোন অমদ লৈচিলগী মমি তাহনহুন থৈজ,ক থমল-গ কোন অদুগী মথুং মকতদ কোনথারোল সোনহুন কোন মচা অমদ ঈরাংনব ঈসিং সোককনি ॥

অজিয়া মকোয় লৈচিল নোংমাই মরিক অমংতক,ওব থাংজ্রব মতম অদুদ ঈরাংনবগী ঈসিং সোকনদে ॥ লৈচিল নোংফাই মচেং অমতং উরব মতমদত ঈসিং সোককনি ॥ (মসিগী মুংগী ওইব রারী অমদি মুংগী কাং-লোন অদুদি য়াথন কুপখিব মরমন খোং-চিনহৌবদ মপুং ফাব ঙমজহৌদে ॥ য়াথললোন লাননখিদনব মতাং অসিদ হাপচল্লে ॥)

(ii) ঈরাং-পীবাগী কাংলোন

কোনথারোল সোনহুন সোকলকপ ঈসিং অদুদ তাইরেন পুকাই থানহুন থমগনি ॥ মতম অদুদ ঈরাং পীবান মসাগী সাজেল-পুজেল সাননগনি ॥ সাজেল অমদি পুজেল মচা থায়ন খঙলব মতুংদ ঈরাং পীবা ওইগদবনি ॥

ঈরাং পীবাগী নিংসা য়েংত লৈব মতমদ হায়বদি য়েংকী নাংতোল মথুং হোরগ ওইগী নাংতোল মথুল ফুনব মতমদ ঈরাং থৌরম হোগদবনি ॥ করিগুম্বব ওইদ নিংসা লৈরমলবসু নিংসা-কাংলোনগী ফিথুপত ফমলগ মিকুপ থরদংগী মমুংদ থুদকত সাজেল তৌহুন নিংসা অদু য়েংত লৈহনগদবনি ॥

ঈরাং পীবান মসাবু তাইরেন পুংফাইন সেংদোকচবত নংতন পুকনিংগী সাজেল-সু সা-ননগনি । তেংবা-বদ লৈরিব লাইযাম অসিগী মতিক ময়াই নিংসিংগনি, পুমনমক তেবানব মপুন তেংবান কুমহৈ সাননব মথৌ মঙম পিহুন লৈরিবঙাকনি হায়বত্ত নিংসিংহুন পুকনিং লাক সিনগনি ॥ ঈরাংতুন কোগদোরিব লাইয়ামবু নিংসিংবত নংতন মসাবু মপুগী তুনফমনি হায়ব হিরি কোনহুন উগনি ॥ হিরি রানন মসাবু মুংদগী পান ফাওব সেংদোককনি ॥ পুকনিংগী ঐথক পুমনমক লাকসিনগনি ॥ মতুন থৌনজরিব ঈমুং মমুংগী মহৈ কহনগদৌরিবান ॥ (হিরিরোনগী মুংগী কাংলোন অদুদি তাংবিথিব রারোলদগী ফাজিলজহৌব মপুং ফাদবদগী পনজল্লে) ॥

(iii) ঈরাংফু লাংপ ঃ—

ঈরাং থৌরমগী ওমুব তাংককতি ঈরাংফু লাংথোকপগী মতাংনি ।। ঈরাংফুদ হৈননব ঈসিং লৈরব অমদি ঈরাং পীবাগী নিংসা কাংলোননচিংব খোরাং লোইরব মতুংদ, ঈরাংফু লাংপগী থৌরম পাঙ্গনি ।।

লাইরম থৈদোকপ :—ঈবাংফু লাংপ হৌ-ত্রিরৈদ মায়কৈ ৪ শু দাই ৭ কী লাইরম ১১ হৈদোকতুন লাইগী লমবী ফাংকনি ।।

(অরাংদ লৈব লাইদি নোংমা তাউমি কৌই, থাদ লৈব লাইগী মিংন ওকতাউমি কৌই, নোংপোকত লৈব লাইন হোঙাই তাউমি কৌই, নোংচুপত লৈব লাইন লৈপাকতাউমি কৌই ।। অদুনা লৈরিব লাই ৪গ শু দাই ৭ত লৈব লাই ৭ক (৭ + ৪) = ১১ অসি ঈরাংফু লাংপ খুদগী লাংলমদাইদ খুংযাইগী তেন মমিংন 'খোঙাং' কৌব, খুবীগী তেন মমিংন "পাতৌ" কৌব, খুদোমবীগী তেন মমিং "খুং-নাপ" কৌব অমসু খুংনিংথোগী তেন "চাং-লোকপ" কৌনচিংব মথৌসিংন কাপথোকতুন লাইয়ামগী লমবী থৈদে কনগী নতাংনি) ।।

পু ৫ কৌব পুকৌরোন :—মাইকৈ ৪ শুং-দাই ৭ লাংদোকপ লোইরগ কোকথাক সে দোকপগী থবক ঈরাং পীবান লোইরগ ঈরাং-ফুদ ঈসিং হৈরন "পুংসং" ঈকোনগী ঈরু ঈসে বু ঈরাং পীবা কৌগনি, লাইরোলন থৌরাই মি হাপকনি। (পুসেং ঈকোনব কৌব মতাংদ ঈরাং পীবান মসাগী পুং কৌব কয়াং পুবু পূকনিং-হিরিন সেদোককনি ।। পূকনিং হিরিদি কাংলোন ওইন লৈবন থোংচিনজহৌব ঐহাকন মতাং অসিদ পনজরে) ।।

পুং সেংব লোইরগ কামপিংমৈ লাইজ ঈসিং, মালংপু সিং, মাপেম লৈপাক অমসু কোইরৌ নোংথৌ অতিয়াবু লাইমিং সোনহন কৌগনি, থৌরাইমি হাপতুনা লাইয়াম কৌথব য়ানব চুক ৫বু চেংসিনহনগনি।।

লাইয়াম কৌথবঃ–ঈবাংফুগী লাইথৌ অরাইবদ লাইয়ামবু পুনন কৌথগনি ।। কোন-থারোল চুনন সোনহন হিরি কাংলোন ওাকন থেমগংলকপ থৌরাই মি হাপকব লাইজ ঈসিং নংতনদি লাইয়াম কৌথব য়াদ ।।

লাইয়াম কৌথদ মপু সিদব পোকাংলন পোকপ সাংলেন সাংপদগী হৌদন অরাইবদ লাই ওইগ্রব ঈপা ঈপুসিংগী থৌরাই মিরেংফাওা য়াওগনি ।।

(iv) ফমনাল ঈরাং

ঈরাংফু লাংপ লোইরগ ফমনাল ঈরাং হৌগনি ।। ফমনাল ঈরাংকৌদি কোনথারোল সোনব মত দ ঈসিং কোনথা ক ফাল কে নথা নৈ বগী ... লাইংক কোনথা ওইন সান-গনি ।। (ঈসিং কোনথা ক ফাল কোনথাগী চপ চাব লাইবোল অদুদি থোংচিনব নংহৌদবনগী তাপচরে)।।

(কনব লাংথোকপ – মী লাই সননরিংডগী মতমদ লাইবু থাং লাকচপ, মংনা চাউব হেনথি ।। লাইন থাজব মহে মরোং, তাউজিং খুংফাং নাইবনচিংব মীনা হুইন চাই ।। রারমনব নত দন মীন থেবত চুমনী ।। মীন সিংব হন-

হুন লাইসিং অহু যামন চাকন থাংখি। মথৈথদ লাইনিংথৌগী রায়েন মতু ইনন লাইসিংন প্যামব মওংদ মীগ লাইগ উননখিদ্রে। অপনগী এমলেম হায়ব মফম অহু নংতনদি মীগ লাইগ অতৈ মতম অমংতদ উননদব হায়হুন মীগ লাইগ থাইনখি ॥

মী লাই থাইনব মতমদ মীন লাকচখিবগী সুংঙাইতবহু খুদোংচাব মতমদ লমন থুমনব লাইসিংন থনখি।। অহুগুমব লাইসিংহুগী ঈরাংফু মমাদ চুক মখোংদ চেং, খোইদিং, লৈ, ঈসিং ঈরু কংহুন লা তাংগ অমদ লাংথোককনি।। মসিন কমবাল ঈরাংকী ইহান হানব তৌদব যাদ্রব লাইথৌনি ॥ (মতাং অসিদ লাইনিংলোম্ব পূরেন উজা ইবুংঙোন মীগ লাইগ সমনরিঙৈগী সাংলব রারী অম লিখিখি, রারী অহুদি য়ামন সাংব মরমন বারোল কোংদোকপ অসিদ মফম কংজদব মরমন পনজদ্রে)॥

লাইপুংথৌ ৭ লাইমুরা ৭ কৌগনি:—কমবাল ইরাংকিদি লাইপুংথৌ ৭ লাইমুরা ৭কী ঈরাং পাংথোকতব য়াদে॥ মপুগী কমবালদি লাইপুংথৌ লাইমুরান থৌগল কংগদবনি ॥

লাইপুংথৌন য়েংত কংকনি লাইমুরাগীন ওইদ কংকনি॥ হৌনবী মতুং ইনন লাইরোল সোনগনি ॥

লাইনিংথৌগী লাইরোল সোনগনি: - মপুগী কমবাল হায়বসিদদি অতৈ লাই অমন লেংসিনব য়াদে।। কংলাদ লৈব ওইরবদ ঈপুথৌ পাখংবন লেংসিনব য়াই ॥ অতৈ মফমদদি মপুগী কমবাল তোংব য়াবসি লাইনিংথৌ সনাইলেল সিদবগ, মপুগী সাইওন ওইরিব লাইনিংথৌ সনামহীগ ২ অসি হংজন য়াদে ॥

মরম অদুন লাইনিংথৌগী মিংথৈ সোনহুন লাইনিংথৌন কমবাল লেংসিনগনি ॥ সনাইলেল সিদবন লেংসিনব তারগন থেন উৎপকী মথৌ কোককনি।। কুমব অম হসৈং তাগনি, লৌথোককনি ॥

(V) থৌনিব

ঈরাং থৌরমগী তাংকক 8 অসি লোইরব মতমদ ঈরাং থৌরম লাংজরিব যুমবু অদুন নিংসা কংলোন সাননগনি নিংসা চুমন হায়বদি নাঙোল য়েংতনা নিংসা লৈহনহুন মপুগী মফমদ থৌনিজগনি ॥

থৌনিজব মতমদ থৌরাইমিচাক নিংথৌ সিদবন থোকলিব অরাং কৌব মায়কৈদ মায় ওনগনি।। নত্রগ কোইরৌহনবগী মঙালন নোংদমলকপ মফম নোংম পোকলিব নোংপোক মায়কৈদ মায ওনগনি।। অদুমন হৌনবী মতুং ইনন থৌনিব অসিন ঈরাং থৌরম কৌব সনামহী লাইনিংগী লাইথৌ অসিগী অরোয়ব সরুককনি ॥

(ঈরাং থৌরমগী মুংগী ওইব কাংলোন অরুব অহুদি মফম লৈতবন মরম ওইহুন হাপচদ্রে)॥

থোংচিনজহৌব – ঙাঙোমব নিংথেম, তেবং থোনিলাংব ॥

মতমগী খোংলৈ পুয়া নৈনব

(অবোইব সরুক)

—পুয়া নৈনসং কংলৈপাক থৌসিনখোন ॥


লাইলৈ লাথুপ হিংলেল পুয়া অমদ মতমগী খোংলৈ পুযা ২ অসি তুংলমচংকী মীরোন কয়া কনবগীদমক চিঙউ নংযচৌসিংন ইখন থমবীরকেন ॥ পুয়া অনিমক পুযা নৈনসং য় মন মরিক চুমন সানা নৈনবিরকথি ॥ এখোয়ন থক্তবদ হারপদব লাউ খাং কযা পুযা নৈনসন কোংবিদুন মীয়ামন তুংলমচংকী লাউবা ইব পুয়াবু সবথৎবদ থমন মমল লৈনব থৌদাং পৌবিবকলি ॥ নৈনবপ অসিগী অরোযব মতা অহু চেকোং অসিদ লাকলে ॥ হৌজিক অ রাযব রাইহ থর পুযা নৈনসংন তাকপির ॥

—খোবিলা বী ॥

মতম খোংলৈগী অরোইব ॥

মতমগী খোংলৈদ অরোইব হাযব অম লৈতে ॥ মালেম অসিদ তাইবংপানবগী কুমহু লোইদ্রিমখৈ মতমগী খোংলৈ লৈথোগনি ॥ লোইখিগদব হাযবু মতমগী খোংলৈদ লাককদব তাংকক তাংককসিং অক্তনি ॥ অদুবু লোইত্রব তাংককসিং অমন অহোব ওইখন সমথরকবদৌরিব মতমগী খোংলৈ অদুদি লেপপ লৈরোই ॥ অদুমক চেনথরিব মতমগী খোংলৈ অসিদি তোংবানব মপুগী কুমহৈনি ।

মতমগী খোংলৈ পুযাদ তাকপিরমলিব তুংলমচংকী রারী পারি, অসিগী মনুংদগী থর অমন থোকপ্রে, পুমচুম চুমপ্রে ॥ থর অমন



পুয়া নৈনবা নাতম ।

মাচং ওইন থোরকলি, মচেংসিং অদুন পুমচুম চুমন চংলি ॥ থোরককংদৌরিব কয়া অমদু লৈহৌবি ॥ হৌখিবসিংন পুমচুম চুমলকলবদ লাককদবসিং অদুন চুমলাইদবগী মরম লৈত্রবনি ।

হৌখিব পুমনমক তুংলমচংকী মীরোল অসিগীদমকনি ॥ লাককদব পুমনমক তুংলমচংকী মীরোল কয়াগীদমকনি ॥ লমবী সেমবিরমলব ঈপা ঈপুসিং অদুন এখোয়গী লমতাকপনি । সেমবীরমব লমবেলদ মীয়ামবু পুবিরিব অদুন লমজিংবনি, লুচিংবনি ॥ লুচিংব অদুগ পুনন থবক খুমিননরিব নোমমিননরিব, চংমিননরিব সিং অদুন লময়ানবসিংনি ॥ অচুমব শমবেলদ মসা মসান চংচব ঙমজরিব চনুর পীব পুমনমক অদুন তুংলমচংকী লময়ানবনি । তুংলমচংকী লময়ানবসিং অসিনচিসিগী রাজেনবনি, মথোৎগী রাজেনন ঈনাংকী পাংগল

ওইগদৌরিবনি ॥

মতমগী খোংলৈ পুন্নান তাকলি - কনান অসেংব লমতাকপনো ? কনান অসেংব লমজিং-বনো ? করমব লমবীন অসেংব অচুম্বনো ? কনা কনান লমবেল অহুদ চংলগদৌরি ? কনা কনান লমবেল অহু ১৫চরিবসিদ অপনব পিগদৌরি, খুরৌ চেনহনগদৌরি ? কনান অসেংব লমযানবনো, কনান অসেংব লমবা চংপনো ? পুমনমক মতমগী খোংলৈ পুন্নান তু লমচংকী মীরোনসিংদ তাকলমলবনি। পুমনমক খঙহন-লমলবনি ।

লাংলৈ লাথুপ কনান ইবনো ?

"লাংলৈ লাথুপ থিলেল" হায়ব পুযা অসি "থুপন লৈব + লাতমসিং + থিজিনবগী অথোইব সরুক" হায়বগী রাহনথোক লৈ ॥ থুপন লৈব মক ওইব রা মচং ইব, মতমগী খোদোকসিং থুপতুন লৈববু ফোংদোকপ পুন্নাবু লাংলৈ লাথুপ কৌবনি ॥

লাংলৈ লাথুপ পুন্নাগী মমলদি মসিবু রারী ওইন লিরিরমলিব মায়চৌসিং, অথঙ অহৈসিং অসি কনানো হেক খঙবগ মতোমত লেপচ-গদবনি ॥

মীহৌরোনগী চেনাদ লাইপোক ওইদুন লৈগ্রব (i) মাইবী থাকী (ii) লাংকোল লুখোই (iii) লাইসাং খোমা (iv) রাহিংপ খম্বো (v) লুরাংচম খেংকুলা (কনক খেংগ্রা) (vi) সোইবম লাইথংব হায়রিব লাইপোকসিং অসিন তাকপিবমব ঙাকতনি ॥ অচম্বব লাতম-সিং নংতে ॥

মতমগী খোংলৈ কনান ইবনো ?

তুংলমচংকী খোদোকসি' মাংজোনন ইদুন থমবীরমব পুযাবু 'মতমগী খোংলৈ" কৌই ॥ পুন্না অসি অম্বকী মতিক মমল য়ামগ্রবনি হায়বসি পুযা অসিদ হেক ইরবব খোথোক পুমনমক অমংঙ সোয়নব লৈতন খোকলকইব অসিন তাকই ॥ মগাকপু ইরিব হায়র লিব লাইওইরব মায়চৌসিংগী মিং খঙলগদ্ব পুযা-সিগী মমল অম্বমমক খঙগনি ॥

"মতমগী খোংলৈ' কৌব পুযা অসি মাযচৌ লৌরেমবন রারী ওইন লিরকপনি ॥ লাইগী চৈ থাবন (মুকচৈ পায়দুন ইরমবন) লুরাংচম খে কুলা (কনক খেংগ্রা) মায়চৌনি ॥ ইব অদে য়াওব মায়চৌসিংদি কমেং ফাদব, খুরুখুল তেপিপা, খোংহি মাইপ, নাংকোন লুখোই অমস্তং রাংঙু পাচি ৫ অসিনি ॥

অমুকতম্ব লানখিস্রিব মতমগী খোংলৈ ॥

পুমনমক চুমথি—(১) সমবনন হরাই মতোন চাবনি (২) লমজাউদ উঙাম চেললনি (৩) মীরৈবাক চাকচামাং খোংদানি (৪) কংলা সা মমাংদ অচৌব মকোক তারনি (৫) চীং নিংথী অপানব খেংথং অহানব থাংহি ঙাংডোই মায-চৌগ তিনমদুন কংলৈ য়াকাররকনি—পুমনমক সিংথাবদ লোইব নাইরোই ॥ মথং মথং চুম-লকই। হায়রমলিব, ইরমলিব পুমনমক মথং মথং অমংঙ কায়দন খোরকলি ॥

মসিমম্ব করিগী চুমদনি :—ময়েক লান ইরমলিবনি—' অরিব মক থুনদুন, মসিথঙন ঙম

তাইযু ।। লাইনিং পানবী হৌহলল্, সোইদন মপান সাগনি ।। মহৈ মরোং চুমনবু তাওচিং মসিং ফাহ্নন, অনেনব হৈরাং ওইহ্নন কোয়ন পুয়া থিগনি ।।"

মতমগী খোংলৈ অসি পুঙচুম চুমলে ।। হৌজিকতি উবা—অয়িব মকু থুননহকলি, সনামহী লাইনিংগী পাম্বী মসা মরেং ফনন ঙৌগংলকলি, মহৈ যানলকলি ।। পুয়া কোয়ন চংতুন থিগৎনবকলি, মসিন হেনন লেমনবক ল ।। হায়রবা পুমনমক খোকলকথিগদব ভাকত্তনি ।।

অরোইব সরুক ।।

অরাং মায়াচৌন অহানবদ নোংপোক মায়–চৌদ খুরুমজত্রে, মথংদ থাংহি ভাংজোই মায–চৌদ খুরুমমী ।। মসিগী হেক মতুংদ কাংলৈ ঈয়েক চংলি, কাংলৈ ঈয়েক তমব হোই ।। মসিগী মতুংদি মথং মথং ময়েককী অতাবী মখেবন তাব হায়দুন মতমগী খোংলৈ লাক–লগনি ।

মসিগী মতুং তারকপদ মতমগী খোংলৈ কৌব পুথান অরোইব ওইন বাহৈসিং অসি হায়বকই —

"মায়চৌ ওগী তিননপুংদ
মতুংদ চয়োল ১ থা ১ মপুং ওইগনি
য়েননিংন মপুং ফাব
পুকনিংন নৌব মতম
নৌন সেমথিথিগনি
চাকন কায়নগদৌরি,
তাকলে পোমলে,
অসি থডন চংলো ।।'

পুযাগী অপাইব সরুক অসিমদি কংলৈ-পাক থোসিনকোনগী পুয়া নৈনসংন ঈবৈপাক চাসিংগী মফমদ থমজারে ।। মতংগী খোংলৈ পুয়া অমদি লাইলে লাথুপ অনি অসিমদি মকোক হৌবগী ই রাই লোইব রাহৈ পরেং পাউরৌফাওব লোইন বাকনখোক নৈনব অমদি মচিং মতেক অমফাওব থাকলমদন মপুম ওইন হেক পুখোকপসি ঈপা ঈপু হাকথক–তগী তৌনরকতে, তৌহৈদে হায়দুন মচিং অমত্ত দি থাকনবকই ।

অদুগুমব লাইলে লাথুপ নৈনব অমদি মতমগী খোংলৈ পুয়া নৈনবগী হৌনবী কাং-লোন অদু ভাকচহুন অরোইব মতেক অসিদি ঈবৈপাক মচাসিংগী মফমদ লিসাং সিংন সরুক কয়া খোকন নৈনজরকপ অদু থাকচব তারে ।। মসিগীদমক বারৌবিরোই থনজৈ ।।



কনাগুমব ঈবৈপাক মচাসিংন অরোইব মতেক অসি নৈনবিগে থনবিরবদি পুয়া নৈনসং কংলৈখোল সংলেনদ থাবিরকউ ।। নৈববিব মতমদ লা $1\frac{1}{2}$ দ চননব ইবিরকউ ।।



নুপীগ নুপাগ মঙম মাননহনলিব্রা?

(লৈনব ঝ.রে.)

> The morality of a Sikh woman will be judged not merely by courts of law but also by a tribunal of five respectables comprising two people of her choice, two of her husband's and one acceptable to both
>
> —Proposed Sikh Personal Law


সিখ পারসোনেল লো ।।

অকালি পারতিন হৌজিক সিখ পারসোনেল লো (Sikh Personal Law) অম সেমহ্নন চৎনহননব হোৎনরি ।। নৌন সেমব অকালি পারতিগী সিখ পারসোনেল লো অসি পনজাবী নুপী পুনমককী মরাযবক থিব ওইহনলককদৌরি ।। অনৌব সিখ ফুরুপকী পারসোনেল লো অসিগী থরাইদগী মরু ওইব অয়িব উকিলদি অকালি পারতিগী রাথলোন পিরিব মিঃ গুরনাম সিংহ তির অসিনি ।।

সিখ ফুরুপকী চনুরাসিংগী ফিভম সোকহনব অসিন মরম ওইহ্নন অকালি পারতিগী মরু ওইব চনুরা মরুপলোয় (মেমবর) লৈম নিরপেন কোরনচিংবে কয়ান ভাংকক থর সিংনত্রে, বারেং পিত্রে ।।

(i) মুপীবুত য়েংসিনব :—সিখ নুপীসিংগী লমচৎ ফজরিব্রা য়েংসিনন্ব সরুক সিখ পার-

— থোইবী লৈম, খোরিলাংবী ।।



সোনেল লো চৎনহনবগী হোৎনরিব অসিদ য়াওরি ।। নুপীগী লমচৎ লেপনব পামবৈ অসি নুপনগী রাযেনসংভন (Law court ভন) তৌদে ।। অতোপপ ইকাই খুমনবিভাই ওইব মীওই ৫ ন সাব রায়েনলুপ (Tribunal)

> মপুরোইব লৈবী তেজো কোবা নুপা অমন অতোপপ থোৎাম বিনোদ কোব নুপা অমগ সারমচৎ চৎলহবগীদমক মসক থঙদব মীওই থরন মথোয আনিমক থাংন য়ানহ্নন হাংতোকলগ মৈ থানব হোৎনরমগে ।। থোদোক অসি জিরিবাম কৈথেলদগী কিখিঃ ৩ চৎলগ লৈব পাংচাউ খুলদ হায়রিবী নুপী অসিগী মপুরোইবন লংফৈদ পৈসা তানব চৎত্রিহৈদ থোকখিবনি ।।

অমগ্ন লৈগনি ।। মী ৫ অসি ২ অম নুপী মসান থনজগনি, ২ অমন নুপা অসি লোবিব নুপা (মপুরোইব) অ ন অপাযব থনগনি লেমহোৎরব ১ অসিন নুপা মসানস্থ য়াব মাগী নুপী অহ্ননস্থ যাব মী ১ থনগনি ।। অহ্নমন থনব মী ৫ অসিন নুপী অহুগী লমচৎ লেপকনি ।।

মতাং অসিদ মুপাগী লমচৎ লেপনবগী ওকতব মুপাগী য়াযেন তৌনবগী রাযেনলুপতি (Tribunal) য়াওব্রি ॥ মতাং অসিদ সিখ মুপীগী মতম(Right) ককথৎপিরে ॥

(ii) চাদরন দাজী - মংাংনুপী নত্রগ মতৈম লৌব য়াবগী চৎনবী :— যুম পাললব মুপা অম সিরবদি মুপা অহুগী মুপী অদু মনাও নুপান লৌব য়াই নত্রগ মতৈ ঈঁযুংলোন লৌব য়াই হায়বগী চৎনবী অসি সিংসিংগী লোলদ "চাদরন দাজী" কোই। অসিগুমব থাযনগী চৎনবী অসি সেম্মলিব লো অসিদ কনন পুথংলে ॥

মতাং অসিবুমু দা অংতর সিংহনচিংব পনজাবা লাইরিক হৈবসিংন য়ানিংদব ফোং-

চাই ৮১ লুরবী গ্রো বারবরা মেক ক্লিনতোক কোবা অমেরিকাগী জেনেতিক রিসারচর অমদ ১৯৮৩গী মেদিসিনগী নোভেল প্রাইজ পিখ্রে ॥ প্রাইজ অসি ফ বিবগী মরমদি মহাকন মোপাইল জেনেতিক ঈলিমেনস পুথোকবিবগীনি। অদুগ প্রাইজ অসিগী মমল লুপা লাখ ১৯ গ মানৈ।

দোকখ্রে ॥ মসিন মতৈম অমদি মনাও মুপীসিংদ থীমগদব ইকাই খুমনব থোগললোন মাঙহললি ॥ মুপীগী থাক মাঙহললি ॥ থায়নদি খুনাই অহুগী মওংন চৎনবী অসিগী কাননব কয়াম্র লৈরমমী ॥ হৌজিকতি খুনাই অসিগী অহোংব কয়া লৈরে, মতমগ চানন মুপা মুপী মতম (Right) মাননগদবনি হায়বগী য়াথল-

লোন লৈববনিন, য়াথললোন অদুম চানন লো সেমগদবনি ॥

নৈনব :—তচাইফদব মরম লৈবগী হান-নগী মুপীন মসান য়ান ফগনি খনহন অতোপপ মুপী অম যুমথুগী মো ওইহনবদি কবিম্ম কাযরে। সিখ লাইনিংগী গুরু গোবিনদ সিংহ

১৯৮, দি সেমবর ২৩ত মিম, জোনচিত্তা বরনারদ কৌথী চহি ২৭ ত চাইবিবা মেকসিকাগী মুপী অসিন বোইং ৭২৭ অমগী পাইলোৎ ওইহন মেক'সকো সিতিদগী চিকাগো ফানন পাইখিব অসিদগী "ইহ ন হানব মালেমগী নোংথকত পাইখিব নুপী ফেংলাইনর" অম ওইখ্রে॥

অহানব নুপীন মচা অমৎত পোকতবদগী অংদি অতোপপ মরম থরদগী মুপী ৩ লৈখি ॥ হাননগী মুপীনসু মাগী ফম সেননবিনব, মাগী মচা হায়বদি অতোপপ মুপী অমন পোকপসিংহ পাযমী ॥ মচা লৈতবনিন মচামককুমন লুন তৌই, অচাংসিংহনসু মসামককুম লুন তৌই ॥

অদুবু লো অসিন তচাইফদব মরম লৈবগী য়াফম নৎতন ইমুং মসু লৌসিননব য়ানবগী পা গল পিব পুকনিং থোগৎপ অসিমদি মুপীসিংগী মমল হনথহললি ॥

(iii) যুম পাললবী মুপী অমন মপা মমাদগী লম কংব য়াহনদব :— সেমলিব লো অসিদ যুম হেক পানবদ মুপী অমন মপা মমাদগী

লেংদব লল ফংজনবগী মঙম (Right) কক-থৎলি ॥ মচা নুপা অমৎত পোকচদব মমা মপা ওইরবদি য়াই, মচা নুপা পোকলবদি লৌ ইংখোল অমৎত লৌব য়াহনদে ॥

নুপনগী মপুরোইবগী লল তংখাই অমন মাগী সরুক ওইহলগি ॥ মপা মমাদগী ফংজনব মঙম (Right) পিদে ॥ মসিন নুপাথকতগী খোঙাদ মথাদ নুপীসিংন হিংজব তারকই ॥

> নুপীসিংন পূনসিনতুন সেমব "সিনাম লৈকাই নুপী সমাজ" কৌব লুপ অম ওক-তোবরগী ৭ত থাংনৈবন সিনাম লৈকায়দ সিনাম ইবেতোন দেবীন য়াইতোংব (প্রেসিদেনত) ওইদুন সেমগ্রে। লুপ অসি লমদমসিগী নখা য়োল কয়ান মু, গনজা, কানি অমসুং ময়াই কাব চিনজাক কয়া সিজিননরিব অসিদগী খিৎহৌনবগীদমক অচৌব থৌদাং লৌনব সেম-খিবনি ॥

নৈনব :—লুরিবদি নুপী অতু লমচৎ সাজৎ য়েসিনব খানব বায়েনলুপ লৈবন, বায়েনলুপ অতুন য়ানিংগ্রবদি মঙম কয়া (Right কয়া) অম লো অসিন মাঙহললি ॥ লল থুম অমৎত কংব য়াদবগী বায়েনফাওব পিব ঙমই ॥ মতমতুদ মপা মমাদগী লল তানঙব ঙমনব মঙম (Right) পিবিগ্রবনিন নুপীসিং অতু কবমন হিব তবগে হায়বসি অমমবনি।

নুপী মচা হাৎপ —পনজাবকী ফু গা বারীসিংদ নুপী মচাসিং হিনে ফুমতুন হাৎপগী থৌথোক মসীং য়ামন লৈ ॥ অতুগ নুপীমচাসিংবু মকোকত্ত খোঙউপকী খুগান নেৎলগ লৈপাকত্ত তকথৎলগ চৎনবী অম ওইন "জা জা বাপিস জা, বীরদি বাহু ফাধ কেয় আ" হায়ন সোললগ মপুনসি লোইসিনবগী থবক চৎথবী য়োকচবী নুপী কয়াগী বাবীম্ভু লৈ ॥

অতৈ লৈবাক কয়াদ চৎনরমবগুমন সিথ ফুরুপকী নৌরিবী নুপী মচা কয়া পিকলিঙৈদ হাৎহৌবগী থৌথোক কয়া লৈ ॥ মসিদ সোললিব বাহৈসিং অসি "চৎগ্রো, চৎগ্রো, নৌপা নুপাগী পামবোম কোললগদং হললকউ" হায়বনি ॥

মসিন নুপাসিংতন মমল যামবনি নুপীদি কাননদবনি হায়বগী ঊচেলনি ॥ মসিন নুপীগ নুপাগ মঙম (Right) মাননব থমমী লায়ব নুকয়া য়াখিরোই ॥

মুসলিম পারসোনেল লোন করি হায ?

ভারতকী মুসলিম পারসোনেল লোগ পাকিসতানদ চৎনবিব মওংগ অমদি অতৈ লমসিংগ মতাং কয়াদ থেননব লৈ ॥ মুসলিম

> পুং ১৯ মিনেং ৫৫ গী মতুং দ সিনাথিয়া নিকোলাস কৌব কানাদাগী চহি ১৯ গী নুপা অমন ইংলিস চেনেলবু অনিরক ... লান থোকতুন মালেমগী ওইন নুপাসিগী অহা ব ইংলিস চেনেলবু অনিরক লানব ঙমব ইরোই-লোই অম ওইখ্রে ॥

নুপীসিংগীদমকতদি মুসলিম লৈপাক ওইরিব পাকিসতানদ চৎনরিব পারসোনেল লোন ভারতত্ত চৎনরিব লোনগী ফব হেললি ॥

(1) মুসলিম নুপী অম হেকত থাইনব

য়াই ঃ—মুসলিম নুপা অমন নুপী অম মরম ইপি পিদনা হেক্তা থাইনব ঙমমী ॥ থাইনবগী মরী লৈনব লোদ হায় —"A Muslim husband of the sound mind may divorce his wife whenever he so desires without assigning any cause" হায়বদি রাখল চোইহ্রিব মুসলিম নুপা অমন মাগী নুপী অহু মরম অনৌত পিদনা থাইনিংব মতম হেকত থাইনব য়াই — অসিনি ॥

Outlines of Muhammadan Law ইব অথ, অহ্ আসফ এ, এ ফৈজিন'দ চৎন বিব মওং অ ন তুং চনিংঙাই ওইরবস্থ রায়েলোন দদি (অ ইন্দাদ) বারি হায়ন ফো দোকলি।

(ii) নুপান হনন হনন লুহোংব য়াব— ভারতকী ওইন চ নবিব Muslim Law অসিদদি নুপা অমন নুপী ৪ লৈব য়াহনব অসিগী মহক ৫ স্থুব নুপী অম লুহোংলবস্থ রায়েলোনন পিদ নুপনগী ৫ স্থুব মুসলিম নুপী অমুন রায়েলোনগী মতম (legal right) থর হনথন যংগনি হায়বতনি ॥ লুহোং বদু য়াদবদি লৈতে ॥

অমরোমদ মুসলিম নুপী অমন ২স্থুব নুপা অম ১ স্থুব ওইন লুহোংলবদি ইনদিয়ান পেনাল কোদকী (Indian Penal Codeকী) সেকসন ৪৯৪ গী মথাদ বাইগেমিগী রায়েন ফংগনি হায়রি।

নৈনবঃ—রায়েলোনগী মিংথোংদ মতাং অসিদ নুপীবু হনথন থমলি নুপাবুন তৌনিংবত তৌব য়াননব খুদো চাব পি, মতম (Right) পিসিললি। নুপীদগীন লোথোকপিব য়াব মতম (Right) অয়াবব লোথোকপিরি ॥

(iii) নুপান অতোপপ নুপী লৌব য়াব নুপীনদি অতোপপদ লৈব য়াদব ঃ— মুসলিম পাবসোনেল লোগী মথাদা মুসলিম নুপা অমন "কিতাবিয়াসিং' লৌব য়াই, নুপীনদি "কিতাবিয়াসিংদ" ওবে, লৈব য়াদে ॥ (কিতাবিয়া হায়বদি জিযু ওমব খ্রিসতিয়ান ওমব) রিভিলদ লাইনিংদ থাজব থমব হায়বনি ॥

(vi) নুপী ২ গ নুপা ১ গ রায়েলোনদ য়াননহনব :— রায়েলোনদ খুদম পিনদ (সাথি পিবদ) নুপী ২ ন পিরন মুসলিম নুপা ১ থবতনে পিবগ চপ মানন লৌই ॥ নুপা রিতসেস ১ গ নুপী রিতসেস ২ গ রায়েনফমদ য়ানহনলি ॥ নুপবু তথাই অমতমক লৌখৎগী রানি ॥ নুপীগী মতম (Right) তথাই অমতং পিবনি।

পাকিসতনদদি নুপীসিংন মসি সেমদোকনবী রাকৎপ হৌখ্রে ॥ ভারতকীদি করিমৎত হায়বগাওব তানদ্রি ॥

(v) নুপীবু তলক হায়রগ থাইনব য়াব — মুসলিম নুপা অমন মুসলিম নুপী অম থাইনিংব মতমদ "তলক" সোনবদ ৩ কক হায়রগ খুদমলোয় (সাথি) ২ গী মমাংদ 'কাজি' অম থিরগ থইনবগী রায়রপ লোইসিনব য়াই ॥ নুপী অহফাওব থঙহনদন থাইনব লোইবগ থাইনরে হায়ব চে কোনন নুপীহুদ পিবফাওব য়াই ॥

'তলক সোনব' অসিদ লুরিবদি খুদমলোয় (সাথি) ওইগদৌরিব মী ২ অহ ফাওব নুপীদি য়াদে নুপান ওইগদবনি হায়বসিনি ॥

মসি মুসলিমগী অখং আৰৈ আসক এ. এ. ফৈজীগুমবনদি য়ানিংদব কোংঙৈ ॥

নৈনব:— অতৈ মুসলিম লৈপাক পাকিস-তাননচিংবদদি মুসলিম মুপীসিংগী য়াইৰৈ অনিংব তাৰিননব (Muslim Family Laws Ordinance কী মথাদ) 'আরবিত্রেসন কাউনসিল' অম সেমব য়াইনখে ॥ ভারতকীদি অহোংব অৱংতম লৈত্রি ॥ ভারতকী মুসলিম নুপীসিংগী মহক (Right) অসি ওনথোকন পিকন লৈখে ॥

হিনহু নুপীসিং ॥

হিনহু নুপীসিংম করম তৌরি ? পোকপদ চাইরিবী হিনহু নুপী মচা অম নুপা মচা অমদ লুহো রিরে ॥ নুপা মচা অদ অহাং ওইন সিখে ॥ মমক পুকখং খঙত্রব নুপা মচা অহু সিখিবদগী নুপীমচাহুন লৈস'বী ফারব মহমদ লুহোংব য়াত্রে. লুখ্রাবী ওইরে হায়হুন 'লুখ্রাবী লুহোংব য়াদে' হায়ব চৎনবী অসিন থিংলে॥ নুপী অহু মপুনসিদ করিগুম্বব মমল এনৎত য়াওদন লেলহনলি।

(I) নুপী লোনব থি বদগী অউনপোৎ য়াং-খৎনরকপ :—হিনহু মেরিয়েজ এক্তগী মতুংইনন নুপা অমন নুপী ২ লোনব য়াদে ॥

নুপী অম অমুক লৌব য়ারোইদবনি হায়বগী য়াকমন মাল্ল থখলগ লৌগদৌরিব নুপী অহুদগী পুনসিচুপপ হৌদোকনফম ওইব মওংদ অউনপোৎ লৌগদবনি হায়বগী চৎনবী অম লৈরে ॥ নুমিৎ খুদিংগী অউনপোৎ য়ামদবগী হিনহু নুপী কয়া হাংলি । মপুরোইবনম্ব হাংলি, মনেম মকুনম্ব হাংলি, মনাও নুপা, মচন নুপীনম্ব হাংলি ॥

অমুক হোংবন লোয়নবনি হায়বগী অকিব অম ফাওবগ অকিবহুগী মহুৎ সিনব ওইন অউন পোৎ চাউত্রবদি নুপী লৌরোই হায়বগী য়াথল অসি লাকহলম্নি। করিগুমব মতমদ নুপী লোনব য়াদবগী য়ায়েন লৈবসিন পামলকত্রব নুপী অম হাংতোকনব হোৎনরকই ॥ মখনত সিজবনি হায়ব চিনথোক অম থোকহনবব হোৎনরগ মমগী মৌ হাৎপসি হিনহু খুনাইদ য়ামন তোয়ন তারি বসিনি।

(II) লুখ্রাবী লুহোংব য় দব :– হিনহু নুপীন মপুরোইব সিত্রব মতু ম অমুক হনন লুহোংব য়াহনদে ॥ নুপাগীদি অতোপপ নুপী অম লৌব য়াহনবগী চৎনবী অদুম লৈ।

উপাই লৈজত্রবী লুখ্রাবী অম মাবু লুন নুংসিন থমবীগদব অতোপপ নুপা অমদ ওংবদ করি অকায়ব লৈবগে ? নুপাদন খুদোংচাব পিব নুপীদন পিদব অসিমু লেমদোকফম থোকপনি ॥

মীতৈ মচাগী নুপীমচা তিবন ভারতকা ওইন ভিল ই ত্রিল প্ল ংতত পা থোকখিব অহান-ব সব-জুনিয়র কাবাদি চেমপিয়নসিপত ওমুব মনা ফংলে।

(III) থাইনগী চৎ-বী:—থাংন হিনহু খুনাই দ মপুরোইব সিরবদি নুপী অহু হি ন হিংন নুপা অহুগা মৈ থাবদ নমহুন হাংলমখী। নুপীবু পোৎচৈগুমন, থোরাই পা-দৰগুমন সিজিনন য়মমী। মহুগী য়াথলহুদগী হৌরকপ মরমন ওসিথ ভারতত নুপী মরম চাদন হাৎপগী থো-থোক মসিং নাইদন থোকলিবসিনি ॥

ঙসি কাওবদ লাউজবত্তসি নুপী নুপা মওম (Right) মাননহনল্রি ।।

কংলৈপাকত নিংতোলসিং করমন লৈ ? নুপীগী মওম (Right) করম তৌরি ? মসিমদি "নিংতোল চাকৌব" কৌব নুপীসিংবু লুন চানন, নুংসিন অমদি মমল লৈন থমলি হায়ব উংলিব চনুবাসিংগী অচৌব নুমিৎ অসিন থুমলসনু ।

কংলৈপাক অসিদদি নিংতোলসিংবু কবিওমব থরদি উংলি ।। অতৈ লৈপাকসিংদ চংনদব নুপীসিংবু হেনন লুন, মমল থমন চৎপ অমদি কংলৈপাক অসিদ লৈরি ।।

কয়া য়াম্বন নিংতোল চাকৌবন লৈপাক অসিবু মচু হোংহনবনো হায়বহ নুমিৎ অসিদ কৈথেলদ তুমিৎ কাওব পাইদব, কৈথেলগী মীসিসিং কয়াগী পোংকন কমব, পাৎ লৈব কনামৎত উব ফংদব অসিন চাউন থিনহুন তাকলি ।।

নুমিৎ অসিদ লৈপাক পুমনমকন নিংতোলসিংদ পুকনিং চংই ।। কন ওকতব, কন লাইরব, কন ম তক চাজদব নুপা ওইহুনসু নুমিৎ অসিগীদমক থবক কনন সুনৈ, সেল তানৈ, মহাককী অহুগী পুনব পোৎ লৈবগী সেংম চানবগী খুৎপাই সেলগীদমক মওম য়াৎলিদৈদগী হোৎনৈ ।।

কংলৈপাকত নুপীগী চওম

(i) নিংতোল চাকৌব

পীবাসিংবু চাককৌবগী থৌরম লৈতে ।। নিংতাপসিংবুদি চহি খুদিংগী চাক কৌই. মথি মবোন কংলি, অরৈবসিংনদি লোথান তোঙানব নিংতোল অহুন পামজব পোৎ কয় কংলি ।। মসি অতোনবনি, হায়হুন নিরবদ পিব নংতে, পুথম মপাকপদ লাং লাতোনদ অমদি হৌনবা পোৎত হাপতুন "য়াইফরোন" নিয়গ কংলিবনি ।। মথোমবু অমবোমদ লাৎলিবনি. নুংঙাইহললিবনি ।।

নুমিৎ অসিদ মপা, মবুং মৌপয়াসিংন চাক থোংই, মথেল লুকোয় হোই, মখুৎন চাক থোংলগ নিংতোলসিংদ পিকৈ, মখুৎন লুথাক সেংই ।। কমাদ নুংঙাইজব নিংতোলসিংগী নুমিৎ অমনো ?

(ii) নিংতোলসিংগী খুমহৈ

নিংতোল চাকৌবগীদমক নিংতোলসিংগী অথননব কুমহৈ কয়া কুম হয়োয়সিংন উংলি সান্নৈ ।। অহুপুমব নিংতোলসিংগীদমক সাননব কুমহৈসিং অহু মপুবোইবসিংন অমসুং মবুং মৌপয়াসিংন কোয়ন চেনহুন তিকেৎ ককই, মনিং তমন নিংতোলসিংবু নুংঙাইহললি ।।

মপা মতোন, মবুং মৌপয়াসিংম নিংতোলসিংবু য়ারক য়াতেমবদ করি সাউবিংঙাই লৈ ? ঈয়মদম অসিগী ঈবুং ঈপয়াসিংগীদমক য়াইফব ঈথে তৌবদ চনুবাসিংন করি নিংহননিংঙাই লৈ ?

—নিংসিংহললি নিংতোল চাকৌবন ।।

(iii) নিংতোলসিংগীদমকত

অয়োকপ [illegible] কাব চমবমথৈ নিংতোল-সিংগীদমকত লৈপাক হুপন লৈনৈ ॥ নিংতোল-সিংগীদমকত চাহি অমগী মতুংদা অমুকতংসু উখি-রিব ছাগী কৈথেল কায়, অমসুং খাকতন সিংলি ॥

হৈ-রা, মনা মসীং, অহাউ-অথুম নিং-তোলসিংগীদমক অতোপ্পা মথৌ পুথোকই, লোইন সিংলি ॥

সেংনব ফি এখল কয়া ইননব ফি মখল কয়া, লিংনদা কয়া লৈপাক সিনব থুংনা পুথোকই পুমকোক থোকপমথৌ সিংলি ॥ নিংতোলসিংগী-দমক থা কয়াগী মমা দগী থবক হুপংনরকই ॥

লৈজা লৈজব গাড়ি, স্কুতর, কার, জিপ, বস, মিনি বস, এতো রিকসো, লুনা, রিকসো বাই সাইকল— অসিপত পোংথাদে লোইন সিজিননৈ নিংতোলসিংগীদমক ॥ লৈপাক পুমনমক নিংতোলসিংগীদমক থক পুথোকই কাইথোকই ॥

লৈপাক আসন পুনপন নিংতোলসিংগী-দমক পুমক্কং কৎলিব, কৈথেলফাওদা [illegible] থিল [illegible] তুমিং ফাওব পাইহনদব [illegible] ইকাই খুমনব পিবব অসিগী-দমক নিংতোলসিংনা করি লমল সিংগদৌরি ? ঈরৈপাক অসিগীদমক করি থৌদাং লৌগনা লমল অাস সিংগদৌরি ?

— চংৎ [illegible] তুমিং অসিম ॥

কংলৈপাকতগী অউনাপোৎ হামদবগী হাংপ অমসুং লৈবিরি ॥ মতুংদা লৈরোই ॥ মচুগী মছুংত লাইরবী ইমুং অমগী চহুমান সাগৈগী মৌ ওইনব চংথিবদা অউনপোৎ লাংবা মতাংদা সুপা ময়ুমদগী মতেং পিনরি, লু-হাংবগী সেল-ফাওব পাংলি ॥

দোলাইদা পুরকপগী দোলাইরেংগী সেল সুপা ময়ুমদগা পীরি ॥ নিংতোল অহুগাদমক সেংনা চানদা ফিয়োন কুজবদা ছাপতুনা সুপা ময়ুমনা খুদোল তমলি॥

সুপী ময়ুমনা লাংজব ইসৈ নোইদা ফি থাব, সেল থাব, সুপা ময়ুমদগীসু নকক য়ারি ॥ অচা-অথক অগুম অহাউ, কবা হৈ য়েনবদা সুপী ময়ুমগী সুমাং মকতদা সুপা ময়ুমনা সরুক য়ানরি ॥

সুপীবু পোকপ মপাদা সুপীগী মপুরোইবনা থুরুমহন্না থোগল উৎলি, মসেল-মবাই ফাওবা থুরুমনৈ ॥

(v) নিংতোলবু সেল ফংনব হাংতে

ভারতকী মফম কয়াদা সেল ফংননব সুপী হাংপগী পাউ তংতন তারে ॥ সুপীগী মিদা লাইফ ইনস্যুরেনস (Life Insurance) য়াও-হনলগা, মপুরোইবহুন মসাগী সুপীত্ত হাংতোকাল অহুগ সুপীগী মিংদা য়াওরিব ইনস্যুরেনসকা সেল অমু থরদং থিরমলগা লোননবা হোৎনৈ ॥

মপামাগী সেল লৌরুচো য়াদবগী লমথীদা চৎমিননরগা [illegible] অমদি অচেনবা ঈসিংদা ইন-থহনা [illegible] সুপী কয়া হাংপগী [illegible] [illegible] খে রলি ॥

[illegible] লাইরবদা লবা [illegible] অমিদদি আসগুমব থৌথোক অমসুং থোকথোক

(vi) মচা সুপান চাওহনব

মচা সুপা অমত্তং হেক পোকপদ ঈযুং কয়ামকমদদি মমা ওইজরিবী নিংতোল অছুন মপুবোইব অছুদগী কাওব হেনন চাউই হায়নরিবান। মচা সুপা হেক লেবদ সুপাদগী মসান হেনন লুমন থনজব যুম পালাদবা কংলৈ চনুরা কয়া লৈতব নংতে।

(vii) মঙম থর মখোদ লৈজ

কংলৈপাকতাদ নিংতোল অমন হললকতুন লেবদ খোঙন অত্তে লৈপাককুমন অরাব ভানদে॥ ইংখোলদ চংহনদতুন লৈফম লৈতব নিংতোল অমংত ওসিকাওবদ য়াওাথজি মবুং মোপ্রানমু মরাইবক থিরবা মচন-মচে অতুগীদমক মপুনসী চুপপ য়োংবীতুন থমব ভাকতান॥

নিংতোলাসংগা লৈকম পিগদবান হায়ব বায়েলোন (লোল) অত্তুম লৈ॥ কংকম খোকপ ললথুমগী মঙম (Right) খোইন বংৎওন লে রব কংলৈপাকান॥ মাগী বায়েলোন (লো), মঙম (রাইত) অথোদ লাইবহুন, মহু সুকাস সিজনপদন নিংতোল সিংগা ভকম কারিমংত কায়দন অত্তুম লৈ॥

বাবোইসিন—

কংলৈপাকত চনুরাসিংগী কিডম অসি অত্তে ভারতকী লৈপাক অয়ামবদগীদি য়ামন হেনন কন লৈরি মাস কবিগীনো? নিংতোল দুমনমকল থওকম খোকপনি॥

কংলৈ চনুরাসিং য়েলহৌবৈগী মীকে থক ওইরকতে, লৈপাক কনবদ চনুরা য়াও রকই, ঈযু পুবদ মীনাই মসনগী চংনবী লৈত্রিবসি চনুরাসিংগী কংখোকপ পুকচেলগ লোয়নন ঈযুগী খোদাং য়াবনি, লো লিংলে চনুরাসিংগী থুংলং, লো পেংলে চনুরাগী থুংলং লো য়েরে চনুরাগী থুংলং সিললং, লৈজব থরন মসা নানন চংহি মনম লাংন লৈজব খোগল লোম ফজব, বারেম ভাংলকতব, সিদলং চংনতুন মাননব থুনাই অম থমবদ লমবী লময়ানবী ওইরকপ, কনানমু কনজব ওমত্রব থাইরমবন কৈথেলবু সুপনতগী দুপীসিংতন মফম চাউন কনতুন থমব ওমলিব— অসিগুমব ঈমা ঈবেলসিং য়েলহৌবৈগী কংলৈ চনুরাসিং অতুগী হুমাং মমলতন ওসিগী কংলৈ চনুসিংগী মঙম থর অসি কংজরিবনি মসি থক কাওকদে॥ হেক কাউথিব লুমিংতগী কংলৈপাককী অমমব সরুক অম লানসিনব হোগদোরিবনি॥

নিংতোলসিংনবু নিংতোল চাকোকন মীয়াম দুপীগী সাহি সেংতুন চংলকলব, খো য়াও জিন সেংতুন চংলকলব, কংলৈ ঈনাংকী বাংমলানম চংলকলব— চনুরা কনাবুমু নিংতোল চাকোবিনব লৈরকলোই, দুপী কৈথেলদু মাওথিগনি॥ লল থুমসীদমক দুপীবু হাংলিবসি কংলৈ চনুরাসিংবুত্র সরুক থুংলককনি, পুমনমক মাওহললিবসি মীপান তাংতুন হিংলগ চাওথংপনি থললিব, মীতোনদগী অরাইব বাথললোন ইনবদ ইকাইব লৈত্রবী পোকলমবগী খোইন কাননকক লৈহৌরক্লোইবসী— চাওথংপগোদ

মতমগী থাথললোন চুসিননব ওমদব চাওথরক-পবোগদ মতমগী চপ চাব মী মাননব হোৎনরিবী মথোয়সিং হুনবি ॥

চহুমাসিংগী মতমগী চপ চাব লাইরাদি চাওথহনবদ শরুক মাবী মতমগী সিংজেলসিং হুকত তুন ঈনাংবী লৈহাংদ নতবগী চাও-থংলোন থাজুন কংলৈ চহুগী চপ চাব মতীং ফুদোবপ— হায়বসিমি ॥ মসিদগী হেনব ল,ইৎ অম লৈজ্রে ॥

—নিংতোল চাকৌবগী কিদব অম।

নিংসি ব মাব খ-ডংদি লৈরি ॥ কংলৈ-পাক ঈরমদমগী পা ওইবসিং (হুপাসিং) অসি মতাং ফুদো চপ মামন বাৎলি, হুপা মানকাং-তবগমব পু সিন অ পব ওইরকলে ॥ মীথাননব তমজদব, মং ৎ মপুন ংপু মমাংমকতদ কেম-দোইক হনবদ মাংগোনদ কমহুন য়েংবদগী হেমজত্রব অত্রককী মতিক হুংসোনব পুনসি লেপ-লিব পীবাসিংন লমজিং ওইরবদি কংলৈ চহুমা-সিংবু কনান খোমা হাপশিগনি, কনান পাংগল হাপশিগনি, কনান মঙাল শিবিগনি ॥ পীবা-সিংন সোললবদ চহুমাসি বু কনান উজিংশিগনি ॥

নিংতোলসিংবু চাকৌবিব নতদ। ঃ য়োন সেল ঙিংে হাপশিবগী নইনৎ— হুপনতংগী মাথা পোনদন, মাপান তাংদন, ঈপানাং ঈপুনাং তাকপ তবন, মতাং লৈন হিংব তমনবগী থাথললোন অমত্রুং খোনাগী মতাং অত্রু ওইন হাপশিবো ॥ লাইরব ঈবুং ঈপরাদগী সেল চ ব পোং লোয়কপ মতম কুইমলবে ॥ হুপনতংগী মতাং লৈন হিংব তমনবগী থাইহত ওইরবগু শিবিব মতম য়োংে ॥

নিংতোলসিংন পামজব অম ॥

থা,ব গী পুথোকচব ইনাংকী অমত তাইরব কংলৈপাক খোসিনকোনগী চেকোং "কংলৈখোল" ন নিংতোলনাদমক অথননব লাতম হাংজহুন চহুমাসিংগীত ওইব, লৈনবদ পুকনিং লৌসিং ওইগনি থনজব হিরম কমাবু লেপপ লৈতন হাপচরি ॥ ইরৈপাকচাসি ন মালেমগী ফুরুপ কয়াগী চহু-মাসিংগ মরী শলনব লৈনবারেংসিং থাবিরকপ হয়াউন লৌসিনজগনি ॥ কংলৈখোলগী থনগৎপ সাংলুপন থন লব থারেংতমক মীয়ামদ ফাংদোকচগনি। থাবিকপ থারেং অমুক হনদোকচনবগী হক লৈব দ রেপাক চাসিংন থাবিরকপ মচদ— ছ' দি ইদিতর কংলৈখোল. আর, এম, সি, রোদ, ইমফাল--৭৯৫০০১" অ সদ থাবিরকউ।

—জেংবাং খোমিলাংব ॥

ব্লাহং পাউখুম

১। খুমনচা লাংওনব, কৈসামথোং ॥

ব্লাহং — মীয়ামনা য়ামনা পামনব পুয়াসিং ফোংদোকপি বদ করি অকায়ব লৈবগে? অফোওব খরদুম্ব কংনব্রে খুদম ওইনা ''খমওই য়াংওই সেকনি ... বারক ... সি ... মনাই ...''।

পাউখুম — ... পুয়া খুমনব ... ফোংদোকনবগী খুদিংমা থৌরাংশু লেপতনা হোৎনজার ॥ খুদাং চাদব খরদং ... তাংদুনা লৈসিন হক থবক ... খুদম ওইনা—

( ) ... পুয়া অসি হাননগী মতৌ ... তানব ... কোশি ২০০০ থকত ... ৪০০০ (লিসিং তরামত্তা) য়োম চংই। মসিগীদমক চহি খুদিংগী অইত্তে অইত্তে লাইরিক সং ফোংনব লুপা লিসিং কয়া লেপতনা থাদরিব ইতুকসন দিপার্তমেনত অসিদ চহি ১০গী মমাংদগী মত্তং খরদং পিরিবু হায়-তুনা চ থাবদ ওসি ফাওবা দি লিবিদ্রি। পুয়া অসি ... পানদগী ... মায়ক লেপতুনা তমব হেৎনবনি, ফোংদোকনবগী সেলদি ... পৈঃ অমথক ফাওবা ফংজদ্রি ॥

কংলৈ ... দি ইসাগী ট্রনমস (প্রেস) অচা ... ওব ... লাই-রবশ্রী ... থোকপা খুদো, চাদব পুনমমক ফংব তাবনা খরদং থিনথব থোকখিবজনি ॥

পাউখুমগী ... কংলৈনবুব শাদইব।



(॥) খমওই য়াংওই সেকনি পুয়া অসি ব্রাহনথোক য়াওব্রবদি মীয়ামনা চং চংতুনা অথঙ অইহ খনহুনা লনাই-লনাই পুয়া অসিবু খঙনব হোৎনব তাবদ খুদোং থিব কয়া লৈ। মরম অহুনা মপুং ফাব ব্রাহনথোক পিনব হোৎনবদ অথঙ অহে কয়া খনব তাখি, চুমনা ব্রাহন-থোক পিনব হোৎনবদ মরি লৈনব পুয়া কয়া থামাজনব তাখি, লৈব তাখি, মাইবরোন তমব তাখি, লাইনিং লমবী তমব তাখি, পুনসিরোন তমব তাখি, লাইমি মিংথৈ কয়া অথঙবদ ফিজোল হোৎলগ তমজব তাখি ॥

অসিগুমব অসিন অরাং অসিদ চংদব য়াদছুন চংখিব সেনফম থর অনসুং উনমসং সেজদর মরমদণী মাগীদ অরামণ সিরু নমখিবগ অপুনব সেনফম অচু পুযা ১দ [illegible] লিংহুর য়োনখোকচাখব অচুন ব লাইরিক পোনফমাসং অমদি এজনভাংগী অয়োনন ক্রকথংখ্রগ থংখিব সেগন [illegible] অমকাওব [illegible] ফম থিদে ॥ মথা কোংদোকনব সেনফন হনজিনব ঙমজাখিদে ॥

মরকাসিদ মাগী প্রসভান। লাংরকান্দ ফন চাউব, চেনা ফন য়ামন [illegible] নব লায়রকাসং লেমন য়েনশি লাইনিং লনব। সন দাকপগু লাইরিককী মমল লোফম থোকতে হয়হন য়ামন মুংসিবান য়েবিব [illegible] কয়া অনচু তোয়ন থেংনজৈ ॥ পুমনমক মওই [illegible] সেকান কোবগী রারীন ॥

ইসাগী উনমস লৈজদহুন লাইরিক অমত্তে নেংব থুংন পুখিকচব ঙমজদব এথোয়দ সারং-[illegible] লায়দ লেমন [illegible] হায়বগ পাউভাক লাকপাসমু পুকনং থোগং-লেব অমান।

(III) অছম সুবদ লাইরিক অম ফোংনব হোংনবদ খোমনকোনগাদনকতাদ ভাংকক থাদনা অথও অহৌসং থনজ, চাদবননব পুয়া কোয়চেন চেনছুন থোরাং ভাজ। পুইন মু মুরব লাইরান অমদি পুনাসরেন শনংকা অকব [illegible] য়ুমকম নাইথ সেংন দঙরবাবি পুয়া। মমন থঙব রাবদগী মীয়ামদ পুয়াদুগী কানাব নৈছ কংহনব ঙমদে ॥ অরিব পুয়া অম রাহনথাক য়াওদন পাবদ মী চামগী ময়দ ৯৯ ৯৯ দি পুয়াগী মতাং ছপ চান কংন চুপসিনব ঙমনদে ॥ অচুম হেকত ফোংদোকপদগীদি মরৈ মুনন, মমুন কারব হৈ-গুমন হেক ভবওদ মহাউ সেন ফব য়াননব পুয়া পুকচবমসিন ঈনাংকা অসেংব নমবেল থিজাবিব খোমিনকোনগী অনিব ওইজব নরমন অনিব অচু ওইহনবদমু মতম থম থমদ, ত হৈ-ফদন লৌজগনি ॥

মথককা মরম ৩ অসিগী মরকত খোমনকোনন হিজহুন লেপপ লৈতন ঙনজব থরাদ পা থাক-চাখগান।

২। কে এচ, ঙবব, এন, এ, কাইনপ দিপার্টমনত অফ ফিলোসোফি, কুরু খত্র 1 1 2-119 (হরিয়ানা)

রহ.— মাওইবগী পুনাস কবিনে? পুনসিগী শনথু ন কদাইদনো? পুনসি অসিদ কায় তোকন থোকপগে? হয়বদু মাত (সামই) লাইনদ কাব কৌমব থতনব লনবা লেবগে? হয়ামবু, পাদোহবন অমুকত তাকাসরক৬ ॥

পাউথুম — পুনসি হয়বাস থবকান। পুনসিগী মমল অসি ন ন-মান তোরমব থবকাসে অদুগী মমসন লেপকান। মখো তোদ মাবু (মী+অরেমব) কাম, মসিনমু পুনাস হায়বাসি থনকান হায়ব ত কহ।

পুনসগী পনপু থমদি "এ মসক মুংভাইব হায়বাস চিকুপ থরভংগীগি, মরাদ

কোকপ, খৌরাংব কোকপ, লল-থুম লৈব মিচুপ থরতংগী অপেনবনি । "ঐ মসক খঙব" হায়-বসিন লেদবনি, মাঙব লৈতব পুনসিগী মঙালদি "ঈসাম ঈসাবু মসক খঙব" অসিনি ।। মসিবু খঙত্রিবমখৈ পুনসিদ কৈদোউৈদম্ব লৈতাব ঙমলোই, ঐ মসক খঙত্রিবমখৈ পুনসগী অকিব অম তৎতন লৈপনি ।

ঈসাগী ঈথৌ পাংথোকপ ঙমননব অমদি পুনসিদ "ঐ মসক খঙব" হায়বতু ওইননব সনা-মহা লাইহানন মীওইবগী লমবা কয়া পিবিরমই ।। (i) থবক পাংথোকপ ঙমননব সাজেল কাং-লোন সানগনি, চিংথৈরোন চোংগনি অমদি নিংস কাংলোন সাননগনি ।। (ii) পুনসি চিং-দমক "পুসরোন চংকনি অমসুং (iii) ঐ মসক খঙননব লাইনি, লমবা তানগনি ॥

সলাংচা থৈরাব (মনি)· কুমবা সলেন, কুমবা ॥

৩ । রাহং :— উজা ঐখোযন থোবম অম তোবদ পুং থৈব, ঈসৈ সকপ হায়নগু লৈনরি ॥ পুং থৈবন কনা ওইনা লোগদগে তাকপিরকউ ॥ অখিং-সেল, অরংাম, পাউজেল চংপ অমসুং সোননপুং তাকপ হায়ন কয়া থোকন থায়দোকপিরিব অসিগী (কীর্তন বিচার) অসেংব সকতক অমতং তাকপিব চনব লানজরি ॥

পাউথুম — কীর্তন বিচার হায়বসি পুং অমা চংপদি চনবনি ॥ পুং মব ২ মচুন কনানো, ঈসৈ হয়ন কয়ানা, থুহান কনানো হায়বতু হিনখ নগা মথুমস ওইন পুথোকতুন কীর্তন বিচারদ লৈখ্রে ॥ চংনবা অসিদি সনামহী লাইনিংগী অসেংব সকতম অমংতা নংতে ॥ কীর্তন বিচার অসিদি তো-ঙানন কংলৈপাকত পোকপ গৌরিয়া মনাই ওইরবাসতন চুমসিনহন সেমখিব গৌরি-চিং রানি ॥

খোল থৈহন, করতাল খিতুন, কোকয়েৎ অচব য়েৎতুন লানন থোরমদ অমদি চেন লেহনন চবদ সনামহী লাইনং চংপাসন চং-থনারব অমস অসেংন সনামহী লাইনংগী কাংলোন নৎতে ॥ গৌরিয়া মনাইসংন মরক অমদ হৌদোকপমব অহু রাহে রতা সেম-দোকলগ মপোপ হকায় কান্দহনদন মতো তমলবান ॥ অদুবু মাপ লাংলাই ওইনা লৈব নতন থরদগনি — মহুদ পুনতোক তোকলক-পগান ॥ হৌজিক হৌজিক যন য়ামন তোক-লরে ॥

অতুগা অরাপম, পাউকৎ-চে পিনব অসিন-চিব অসাদ থ মনদগা চৎনরকপানি ॥ সোননপুং তাকপ (পালদব মপু) হায়বাসাদ সুকচমক চৎনরমদে, গৌরিয়া মনাইসংন এামহন ১ কম-হনলগা শানদব মপু ওইহনবগী রাতান ॥ সনামহী লাইনংগীদ সোননপুং পুননমকত সনখোং অপানব লাইনংথোগী খুতম ১ য়াব চৎনরকই ॥

খুমনচা লাওনব, কেসামথোং ॥

৪ । রাহং :— "হা হুং, হৈ হে হি" খোন থেক মঙা অসিগ, য়াইবা থবাইগ করমব মরি লৈনবগে সুগাইন তাকপিরকউ ॥

পাউথুম :— "হা হুং, হৈ হে হিং" হায়ব লাইমিং পরেং অসি "মৈ-ঈসিং-মুংসিং-লৈপাক অতিয়া" গা "নমু মি" হায়বগুম ৬ কী অনুপপ মিংথৈনি ॥ থোরাই অসিগী পুম্নমক্ত হায়নথোক মতুং হললবাদি "মৈ-ঈসিং-মুংসিং-লৈপাক-অতিয়া" ৫ অমদি মিগ খান ৬ মক অসিগী মতুংদ চংহন লৈ ॥

মমম কয়া অসি লৈবন য়াইবী থোরাইবু মীওইবন মসাদগী থোদোকপব মতমদ "হা হুং, হৈ হে হিং" হায়ব মিংথৈ প্রাপ্ত প্রাপ্ত ॥ মমম অহুন মিংথৈ ফাসিমক থোরাইগী মিং-লেননি ॥

নিরমল সোরোম, ওলেজ ভাকিরগ্রাম; পো, ও. রাজেশ্বরপুর, দিসাএকত কাছার (অসাম)

৫। থাহ :— জয়াবব লাইবাইব ননাউন থওজদব অম লেরে ॥ নদ্রাদ মাংগ ঐথোয়ন অপোকপ খুরুমব মতমদ অথেনপোৎ কয়ামরুম কৎলি ॥ অহুদগী থোরম লোইরব মতুংদ কৎলব অথেনপোৎসিংগী নাগ বাগী ঙৌ, মথং, নৎতন অতে অতোপপাসংদ পিজখোকপা অকায়ব লোয়-বাস কাব থরমগনো? অপানবন মমব ভাকং পিরকপান মিংথৈ ॥

পাউথুম :— অপোকপ হায়বসি সাগে অমদি সলাই সলাইসিং অহুগী তোঙান তোঙান-বানি ॥ মাগী মাগী অপোকপ খুরুমগী পোৎচংদু থেনথৈ ॥ চৎথবী অসিদ অপোকপ খুরুমদ য়াওদব পোৎ পুমনমক অতোপপ সাগেগী মীন চাব য়াদব নৎতে ॥ অতোপপন চাব য়াব পোৎলমগী য়াওরি, চামদবশু য়াওরি ॥ চাকলোন কৎপগী চাক সরেন ডা অম্রিগুমব অসিদি খুদম চাংদম সাগৈ সাগে অহুগী ওইন য়েংন-কমনি ॥ খাইদগী নুরিবদি অপোকপগী চাবান য়েংনব চাকলোন চাক চফু মচা অহুমগ সরেন ডা অহুগনি ॥

অপোকপ খুরুমবদ ভিগলিব মীয়ামগী থোং-লিব চাকচাউ অমদি য়েনসাং নাপী লোকন অমংত চিৎথদন চাব য়াই ॥ মাতোপ মীয়াম পুমনমক চানে। অপোকপগী চাকলোনগ সরেন ডাগদি সাগে অহুগী মিসিংতন থর থর হাপ-নবগ মপা মপুগী হৈমন লৈমন ওইন খুনজবগী য়াওনি ॥ মহু অতোপপ সাগে সলাই অমন ওমসিনহুন চাবকবগী থোইদোকপ কাননব লৈরোই ॥ মপা মপুগী লাই ওইগ্রব থোরাইসিং অহুগী খুদম চাংদম য়েংজব থোরমগী পোৎ-লগনি ॥

অহুগ সাগে সলাই থর অমদি অতোপপ মুখনাকনু কোরগ পিজবনু চৎনরি। খুদম ওইন মুমলেমবম সাগেগী অপোকপ চাকলোন কৎপদ তোঙান তোঙানব মুখনাকত ওংগ্রবা নিংতোল পুমনমকপুম্ন পাউ তাকতুন য়াওনরি ॥ চাকলোন চাক পুমনমক তোঙান তোঙানব মুখনাক ওংগ্রবা নিংতোলসিংদ পিজব চৎ নৈ।

মমম অহুন অপোকপগী চাক অতোপপদ পিজব য়াদে হায়বগী অথিংব লৈতে ॥ লনাই ওইন পুকনিংদ চুংডাইতবগী চাকলোনগী চাক সরেন ডাগদি সাগে মহু চৎথন পাজ-নবগী য়াওনি ॥ সাগে অহুন লোইনবান খুদম চাংদম য়েংজব পোৎলম অহু খুরুমজারব সাগে অহুম কংজবগী য়াকমতুনি ॥ *

নৈন-ৱারোল

পাউরো সৈরেং ঈসৈ অসীগী নৈনবগীদমক্তা, ৱাহনাংতক কীদমক্তা, পনদব ৱাদহুন মথাগী ৱারী মতেক অসী য়াম্মন খং হৈজহুন পনজব নংচদে, পনদব ৱাদহুন খজীকতং পন-জবনী কংলৈপাককী কংলৈচা খুদি,মকন হেনন তাবীরব থংবী-রব ঙাকতাগী অসোইব য়াউরবশু কংলৈচা খরাই পুমনমকন ঙাকপীয়ু।

হা ঈমা ঈমাও নৈন-বা

অরোইব সরুক

কংলৈপাক অসী ঙা—লাই হাকতকতগী ঈপা ঈপু লাই ওইবদগী মথ মথং মীদ থাঙবরকতুন মথং মথং সুক্ন নৈব'ক ঙাকন ঙাকন মীথা পেনশন ঈরবনগা ঈয়ুক সীসীমনহুন লাইরীক (পুয়') কয়' কযা ঈহুন সাহিত্যাদ থাক ৱাংব তো-ঙানব নৈঙাকপোন লৈব, লাইনি লীচং নৈব, মনীমথা তাব লৈবাক অম ওইন চহী মসীং খদন নীংথো'রেন কয়া কযা ৱাশন পানব লৈবক চৈরমই হাবব অসী কংলৈচা খুদীং মকন তা ৱাগ খনবব ঙাকতা। অদুবু কনাগী মহাকথকতগী লৈবাক অসি মীথা পো ব তৌখিবগে হায়ব অসি অমুক নৈনহুন য়েসি মতম অ দ মু ংলীগা সাননব পাবতী অমন পুৱান ম থাব (পুয়া নৈ খাব) হাক্তুন লীগা অম সাননরমই, ঐখোইন অঙাং ওইরিবিদ, অরুমব লীলা অদুবু দী বি হাইন অদুম সাননখিজে। অদুবু ৱরমব সরকারণ তঙাদ দী বিনে, হায়বদি খোইদেংকন ভাব তাব ঙমজ হ দরে। মরমদি মতাং ঐহাক য়ামন অঙাং ওইজরী। অদুবু হৌজিকতি মতমহুদ



হা ঈমা ঈমাও ও
ঐখোয়গু লাককে ঈমা ও
নোং চুই লাককনু ॥
য়েনপ্রাক তুপতুন মলাককে ॥
লমবী নাললী লাককনু।
চৈনু স্নতুন মলাককে ॥
ঐখোযন হায়ং চাউরগ
চাউর ৱাগোল ফারগ
সনজেল থৌংগী থোংয়াইদ,
সমু তোক্তুন লাকপদ
ঈমা নঙবু কাউজরোই
হা ঈম ঈমা ঈমাও

কংলৈথোলন লু: ৫০০/০ গী
মনা লাউথোকপ্রব পাউরোস
অতগী কংলৈচাসিংন পিবিরকপ
ৱাহনথোক থকগৎলগ ফোংদা
কচব অরোইব সরুক ॥
নৈনবিরিব '—থমব থাঙামব,
কোংব উচেকান থুনৌ ॥



লীলা অহ্ন কহীদমকত থীংবিবনো হায়বনচিংব অহন-লমনগী মকমদগী খর তাব ফংজে। যংবগ লোইনন নীংথৌরোলগী হাবী খর পাজ-ক্লবদ খঙ্গীকতং তাব ঙমজখি। খ: ১৭১০দগী না ১৭৫০ ফাওন কংলৈপাকত নিংথৌ ওইহুন পামহৈব গরীবনীৱাজ (পামহৈব) নিংথৌগী সনা হাকতকত মীয়ান মচা সানতীদাসন রামগী লাইনীং পুহুন লানদাব লাকখি সানতীদাসন য়ামন হৈসিংন লাল সোকনহন লানদ মাই পাকহুন পামহৈব নিংথৌবু কাহুন রামগী লাইনীং জেলদ থমহুন মান হৈবাক বায়েন চুপলী পাইসিনখি+ সানতীদাসকী লালফা ওইরব পামহৈব নিংথৌন করী উপাই লৈরমদে রামগী মীংথৈ সোনব নংতন পামহৈব নিংথৌবু রামগী লাইনীং জেলদ ফাহুন থমলব মতুংদ মতমহুগী অহল-লমন, ঈপা-ঈপু, ঈমা-ঈবেম পুমনমকপু লোইন ফাংগীনহুন রামগী লাইনিংজেল চাউথোকহনহুন থমখি য়ামনা কনপ্রব লাম্বনি অসিনমু লোইব নংতে মমৈথংদ কংলৈপাককী চহী লীসিং কয়াগী মমাংদগী চংনরকলব কংলৈ ঈয়েকন ঈব কংলৈ পুয়া কয়া লাইনিং লীচং লৈবাক ডাকলোন, অসিনচিংব ঐথোয়গী কংলৈপাককী হী য়াই য়াউরব মমল নাইরব পুয়া কয়ামরুমবু লোইন থোমগংহুন মৈ থাদোকনব হোংনখি।

অহ্ন থোমগংপদি ঙমখিদে। কংলৈপাককী কংলৈচাসিংন সিনতোক হৌরগ মহুং থমহৌব হুমীনন লোংসিনহুন য়ামন থদহৌই। বুহুজ সানতীদাসকী রাথলদদি লোইন থোমগংলে হায়ন থমহুন অকাব থব অহু লোইন পৈসিল লগ মৈ থ'দে কখি। মান লোইন মৈ থাবগী মরমদি অসিনি মতুংদ হৌরকপ কংলৈচাসিংন থাদনব তৌবনি থ'দনব তৌবগী মরমদি সানতীদ'সকী রামগী লাইনিংজেলদ লালফা ওইন ফাহুন থমব হায়ব অসি কংলৈচা অয়ামবন মসান য়ানিংদন নথহুন চৈরাক পীহুন থমখিবনি অহুন মতুংদ হৌনকপ কংলৈচাসিংন থীরককনী খনবদগীনি। অহুন কংলৈচাসিংবু লোইন মুংথংলগ সানতিদাস থবা-মালা ওন হলনব উচীথোয়ন লৈপাক অনপপ চেললকলগ মহুম সাহুন তীল ফাকুদগ মহুমদ হাপচিলহুগ মচা ওননব ঙংবগুম মতমতগী কংলৈচাসিংবু রামগী লাইনিং জেলদ, লাইনিং মকোনদ থমহুন উচী থইহ্রুমন সানতিদাসন কংলৈচাসিংবু বেংগোলী ওননব রামগী মিংথৈ ভুংখিবনি অসিদ নংতন কংলৈপাক হৈয়ব ঈপা=ঈপুগী হানন লৈরমব ইমিং ফাওব মুথংহুন মনিপুর হায়ব মমীংন রামগী লাইনিং জেলদ কুপসিনহুন) ঈপা=ঈপু পুমনমকপু লোইন ননসিনহুন কুপসিনহুন থমখিবন ঙসি ফাওব মনিপুর কৌরিব অসিনি।

মরম অহুন তুংদ হৌবকপ কংলৈগাসিংন থোংগুল লীরকনব হায়বদি ঈয়েক, লোন অমদি ঈপা ঈপুগী হানন চংনরমব লীচং সাজং অমম্বুং লাইনিং লীচংপু কংলৈচাগী হৌ কলোনবু থীরকনবগীদমক কংলৈ ঈয়েকন



কৈলেখোলন লুপা ৫০০/- গী মনা লাউথোকপ্রব পাউরৌ সৈ অসিগী কংলৈচাসিংন পিবিরকপ রাহনথোক খনগংলগ ফোংদোকচব হন্নদককী অসিন অরোইবনি ॥ লাইবক থীবদি পিবিরকখিব রাহনথোকসিং অহূগী অমফাওবন ঐথোযগী সংলেনন হনদোকতুন থমগ্রব রাহনথোকক রাহৈ-রাতা থেননরবস্মু মুংগী ঈচেংদ হৌবদগী লোইব কাওব মানন চংমিননব অমংত য়াওদবন মনাগীদমকতি খনগংচত্রে ॥ মথংগী অসিগুমব থুদোংচাব অমুক পিজরকপ মতমদ মনা অসিমদি অহূমক লৈখিগনি ॥ হনদককী অসিগীদমকতি ঈরৈপাকচাসিংন ভাকপিগনি ॥



ঈব (লাইবিক) কথা লোনন থপন শমদ্রীরমথনি খংননব থীনহন পাউরৌ ঈসৈ সৈরেং অসিন তাকলমবতনি।

অহূ ওইরবদি পাউরৌ ঈসৈ সৈরেং অসিগী মমুংগী অরথ, রাহনথোক করী লৈরিবগে হায়ব অত অমুকতং খননহুন য়েংসি :–

(I) হা ঈমা ঈমাও হায়ব রাহৈ পরেং অসিদ 'ঈমা' হায়ব অসি কনাগী মমাবুনো (ঈমাবুনো) মসি অতৈ কনাগী মমা (ঈমা) নত্তে কংলৈচাগী ঈমা ঈপা, ঈপা ঈপু পুমনমক অহূবুনি হায়বদি সানতিদাস কী লালকা ওইদুন রামগী লাইনিং জেলদ লৈরিব মথরাই ... ঈমা মমাম জীনসিললগ তাব ফল (মহৈ ঈমা অমথক হায়বদি কলৈপাক পোকপী ঈমা অহূবুনি।

(ঈমা হায়ব রাহৈ অসিদ ঈপাগু খাউরীবনি ঈমাগী ... ঈপাকম লৈরিবনি হায়বদি ফুমহুন লোংতুন থমবতনি। ঈমা ঈপাগী রাকম অসি কোনন অতাপগ রাফম অমদ তোপন নৈনবসি)।

(II) মথকত পনজখিব ঈমাগ মচাসিংগ তারা সানবনি ঈমাগী করমব মচা কংলৈপাককী কংলৈচা পারা মযোমসিং বুনি। হায়রিব কংলৈপককী পারী মমোমসিংন ঈমদ (মমাদ) করিফ... চাই তোঙ্খিব। ... ঈমা ঈমাও ঐখে যথ ... ঈমাও হায়ন।

(III) ঈমান কনাইদ করিগীদমক চংপদ মচাসিংন লাকাক (...) হায়ন নীঙাই (তৌ) রব ঈমান অত ... চংপ নত্তে মথকত পনকা... রামগ ... জেলদ সানতিদাসকী হুকুমন চংতব য়াদহুন চংপ মতমদনি।

(IV) অহূগুমব চংপ ... হায়বদি সানতাদাস কী থরমগী ... লালকম অহূবু নোং চুই লাককমু, ঈমান পারী মমোমসিংদ হায়বনি অহূগুমব অকনব থরমগী ল লফম অহূবু নোংচুবগ পাউরৌ ঈসৈ সৈ ... সেথারমবতনি।

(V) ঈমান নোংচুই লাবকনু হায়ন থেমবদ মচাসিং পারী মমোমসিংন 'য়েনপান তুপতুন মলাকক', হায়হুন অমুক নীংঙাই ঙৌবনি। অহূ ওইরবদি 'য়েনপাক' হায়ব অসি করিনো মসি করমব পোংনো থাইন অহল

লমনন নো চুবদ তুপপ পয়ান সাব উনান কুপপ অপাকপ খুলাই অহুবু অমুকতং থনখহুন য়েংসি : মসি ঐন অম্মমন লৌখংচরে। মসি ইচম ইচম চমব য়েনপাক অহু নংত'র মথকত পনজখিব কংলৈ ঈযেকন ইব কংলৈ ঈংককী হৌরকলোন, লাইনিং লীচং, চংনলোন, লৈ পাক ভাকলান কয়া ম'উরব থুপচুন লোংতুন ঈপা ঈপুসিংন থমবীবমব পুয়া (লাইরিক) সিং অসিবুনি হাযন ঐন লৌখংচরে। যেনপাকত পাউরৌ ঈসৈ সৈথারমবতনি।

(VI) অসিগুমব য়েনপাক ভুপতুন মলাক-কে হায়ন হনন অমুক হায়জরব কানদ ঈমান "লমবী নাম্বলি লাককনু" হায়ন মচাসিংবু থেম-বনি হায়বদি নীংতাই তৌব অহু অম হায়ব অসি য়ামন পাঁকখিব য়াথন লৈতরিব য়ামন পংলিব মতমনি মরম অহুন ঈমান মচা অপংবসিংদ নোং ভারবদি লমবীস্ত নানবনি হকচাংদ চোং-তনব য়েনপাক ভুপন য়াইরোই হায়ন ঈমান মচাসিংবু হনন থেমজখিবনি।

(VII) লমবী নাম্বলি লাককনু হায়ন ইমান থেমলবদ অমুকন্ন চৈস্থ স্থুহন মলাককে হায়-হায়হুন য়ামন চকরী চাওব মচাসিংনে 'মমাদ (ইমাদ) নীংতাই তৌরকপনি। অহু ওইরবদি চৈস্থ হায়ব পোং অসি অহল লমন অমদি অসোন অনাসিংন পাইব চৈস্থ অহুবা অমুকত-থনখহুন য়েংসি :—মসি ঐনা অম্মমন লৌখংচরে

(VIII) মহুদ :—নমবর ৫ম্বুবদ ঐনা পনজ-খিব লোনন থুপন থমখিব পুযাদ (লাইরিকত) ঐখোয় কংলৈগী লাইনিং লীচং, চংন কাংলোন অমদি লৈরবাক ভাকলোন পরেং সান সাংনে ঈরিব হাযবদি সাংন ঈহুন অমংত তেকত কাই-দন লৈরিব ঈপা ঈপুগী লৈকলম অচুমব পরেং অহু চৈস্থদ, পাউরৌ ঈসৈ সৈথারমবতনি হায়ন লৌখংচরী।

মতাং অসিদ পনদব য়াবোইদব অমন করিনো হায়বদ 'লমবী নালশি লাককনু' হায়রগ, 'চৈস্থ স্থুহন মলাককে' হায়ন মচাসিংন হায়বদ ঈমান লাককনু লাকপ য়ারোই লৈহো হায়ন থেমব যানবগী য়াহৈ পরেং অম যাওব ওাযদরীডৈদ, ইমান লৈহো হায়ন থেমব য়া-নবগী মওংদ মচাসিংন ঈমদ কৌহুন ঈমান চংখরবদ, চংপ উবীডৈ মতমদ 'ঐখোযন হয়েং চাউরগ," চাউব য়াগোল ফাবগ, সনহেন থোংগী খো য়াইদ, সমু তোহুন লাকপদ, ঈমা নংবু কাউজবোই, হা ঈমা ঈমাও, হাযন মচাসিংন কৌহুন কৈহৌবগী মমা মচা য়ানবগী য়ারী খর যুমহুন থমই, হায়ব পাউরৌ ঈসৈ সৈরেং অসিন য়ামন মযেক সেন থীনহুন তাকখি।

অহু ওইরবদি ফুমহন থমলিব ইমাগ মচা সিংগ য়ানব পুরকপগী থেমখিব সানখিব য়ারী অহু কয়া হাযন ইমান (মমান) থেমখিবগে হায়ব অহু অমুক থনমহুন য়েংসি :—ঐন অম্মমন লৌখংচরি ঈমোম (মমান) মপারী মমোম

পীকলৌব অঙাংগী নরা ওইবিব রাখল লৈতরিব পংলেবী মচাসীংদ অসুমন খেমজখি পারী ইমোম চাউদব নখোয়ন য়েনপাক তুপতুন চৈস্নু সুঙ্গন লাকপ যাত নংতে য়ামগ কনব নোং মু সি নি য়েনপাক হুমদোকখিনি চৈস্নু নানখোকখিনি অ রমবদ তেক কাইহুন মাংখিনি অসিগুমব তমঞৌব নোং মুংসিং অসিদ তুপকদব য়েনপাক, মুগদব চৈস্নু নংতে অহৃগী সরুকপুদি য়েনপাক চৈস্নু অহু তেকতনব কাইদনব মীন লৌখিদনব চেংন থমজিল্লু হায়ং মতম অমদ নোং অসি সেইদন হাংলকখিগনি চুপন অসুন লৈগদব নংতে অহুবু নোং হাংলকপগ লোইন লোইননা মুংসাগী মৈসাসু তাসুম অসুম কনখংলকতুন থং ১ই সোকন চকলব সগদোরব তম অহুদ য়েনপাক অসি তুপকদবনি মতম অহুদ নুংসাগী মৈসা অহু থরদি কনব চমলগনি। অহুদগী মুংসাগী চৈরব লমবীসিং অহু সান খোংথাব হুমরবদ চৈস্নু অহু মুহুন অসাব লমবী চংবদবনি। য়েনপাক চৈস্নু অসি মাংব য়াব নংতে ঈপা=ঈপু খুা লাই হাকতকতগী লৈরকলব খুলাইনি মাংহনফদে চেংন থমজিল্লু প উমেনজবনি

অহুগ নখোযন "হয়েং চাউরগ, চাউদ রাংগোল ফারব মতম অমদ সনজেনখোং কয়া কয়া সারকলব মতমদ মী তোংব সগোল, সমু যাবন চংলরনি হায়রদি মী তোংহুন সগোল সমু য়ামন চেললকলব মতম অহুদ পারী ইমোম নখোয়মু সনজেন খোংগী খোংয়াইদ সমু তোংহুন লাকউ নতম অহুদ ঈমা কাউগনু কৌরকউ ইমা খাইহুন লৈবমগ হাযহুন খেমলমলগ মমা মচা বাইনখিবনি মতম অহুদ মচাসিংন, ঐখাকন হয় চাউরগ, চাউর রাংগোল ফারগ, সনজেন খোংগী খোংয়াইদ, সমু তোংহুন লাকপদ, ইমা নংবু কাউজরোই, হা ঈমা ঈমাও হায়ন ইমান চংথুবদ মচাসিংন কৌকৌহন লৈবনি। অসুমন মমা মচাগ যানবগী সানখিব ফু হুন থনব (সা খব) রারী অহুবু ঐন অসুমন লৌখংচরি।

(ix) অহু ওইরবদি ঐখোযম হয়েং চাউরগ হায়ব রাহৈ "হয়েং অসিদ ঐখোয়ন হয়েং চাউরগ হায়ব অসি পীকনৌব মচাসিংন পাখঙ লৈসাবী ফারকপ অহু নংতে। প লব অঙাংগুমল লব কংলৈ খুনাই অসিন পুকনিং লৌসিং চাউরব, রাখল লৈরকলব, রাখল মপুং ফারব চাউরব. কংলৈ ইনাং য়োকখংপন মপুং ফারকলব চাউরকলব, লৈঙাক মপু ওইরকলব মতমদ হায়বনি।

(x) অহু ওইরবদি চাউর রাংগোল ফারগ হায়ব অসিদি কৱি হ য রব না মহু দ চাউবনমু অমুক লৈইদরি চাউর রাংগোল ফারব মতমদ হায়বনি অহু ওইরবদি চাউর রংবে কোন হায়বদি য়ামন চাউ সাংন রাংন কোনসনব হায়বনি। হায়বদি চাউবদ নংতন বাংব য়াউন চাউব হায়বনি অহু ওইরবদি রাং চাউন কোনসনব হাযবদি ইনাংপু য়োকখ প, ইনাং কনব. কংলৈসিংন য়ামলকলব রাং চাউন কোন

সনম্বকলব মতমদ লৈচাক মপুরেন ওইরকলব মতমদ, চাউর রাংগোল কারবদ হায়বনি হায়ন ঐন অন্নুমন লৌখৎচরে।

মখৎ অমুক নৈনরসি 'সনজেন খোংগী খোংয়াইদ,' হায়ব রাহৈ পবেং অসিদ সনজেন খোং হায়ব রাহৈ অসি হুজিক লৈরিব সনজেন খোং অসিবু নংতরগ করিঘুব হায়রিবনো হায়ব অমুক নৈনহন য়েংসি মসি ঐন অন্নুম লৌখৎচরে মহুদি হৌজিক লৈরিব সনজেন খোং অসিমককী রাদি নংতরে অদুবু অসিদু সনজেন খোং ১দি অহুমক ওই। সনজেন খোং হায়ব রাহৈ অসি রাহৈ ২তনা পুনহন সেমব ওইন ঐনা পুখোক-চরী মহুদি :—সনজেনখোং =সন+জেন+খোং =সনব+চেনব+খোং = হায়বদি সনদোকপ পাকখোকপ, চাউখোকপ+মী, সা, গারী চেন-খোক চেনসিন তৌব+খোং=অচৌব, অপাকপ +খোং=খোংজাউ হায়বনি হায়ন ঐন অন্নুমন —লৌখৎচবে।

অসিগুমব সনজেনখোংগী খোংয়াইদ হায়বদি খোংয়াই হায়ব অসি খোংগী ময়াইবুর করিনো হায়বিব অসি অমুকং খনথসি। ঐন অন্নুমন লৌখৎচরে মহুদি সনজেন খোংগী খোংয়াইদ সমু তোংহন লাকপদ, ঈমা নংবু কাউজরোই. হায়বদি ঈমা নংবু খীরক.ক. কৌ-রককে হায়বনি ঈমা ইচা উনসি হায়বনি অদু ওইরবদি খোংয়াইদবু মচা মচা উনব হৌনদে. য়াইদ হায়ব অসি করি ওইব তারে। ঐন অন্নুমন লৌখৎচরে। মহুদি সনজেন খোং কয়া-মরুমগী য়াই=ময়াই ওইব খোং হায়ব ওই-গদর মসিদু নংতে মরমদি করমব মকমদগী করমব সনজেন খোংগী ময়াই ওইগদৌরিব অদু ওইরবদি মসি ময়াই লেপপ=ময়াই ওইব =য়াইদ লেপপ খোং, সেনতর ওইব, যামন মরু ওইব থবক খৌরম য়ামন পুব পোংনীংথৌ =য়াই ওইব খোং হায়ন ঐন লৌখৎচরে অসি-গুমব সনজেন খোং-য়াই অসি চাজেনকপ মতমদ হায়বনি।

সমু তোংহন লাকপদ, সমু হায়ব রাহৈ অসি থাংগৈগেসেংব সমু অদু ওইগদর হাবে অমুক নৈনহন য়েংসি। মসি থাংগৈগেসেংব সমু অদুদি মানদরে মরমদি পাউরো সৈ ওইব মরমন অদু ওইরবাদ করি ওইব তারে। মসি হুজিককী মতমদ চেললরিব সগোলগুমন যাংব জীব, বাব, সমু-গুমন অচৌব মী য়ামন তোংব হাব অচৌব হয়াগারী বস অমম্ব মেনগারী অসিনচিংব কয়া মী তোংহন থুন যা ন চৎনিং চৎনিংমকমদ খুন য়ৌব ওমব অসিগুমব মতম লাকখিনি হায়হন তুংদ খোকলগদব থবকপু উথ ওমব ঈপা ঈপু মাইচৌ লাইগুমলবসিংন সমুদ পাউরো সৈ সৈখারমবতনি।

অসিগুমব সমু অসি তোংহন লাকপ মতমদ ঈমা নংবু কাউজরোই, হায়বদি খীরককে কৌ-রককে ঈমা নংগী নমিং অসেংব কৌরককে হা ঈমা ঈমাও হায়ন পারী মথোমসিংন কৌ কৌহ-ন য়েংহন লৈহৌবনি মমান চৎখিবদ।